উমংলাই খুন্দা

ওল মনিপুর উমংলাই হরাউবা কমিটিগী
থা ৩/৩গী উমং লাই অমসুং
ইনাংকী ওইবা চেকোং



সম্পাদক
খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ
"পণ্ডিত" "ফেলো" "সাহিত্য শিরোমণি", "পারঙত"
"শিক্ষণ-কলা প্রবীণ" "শিক্ষণ পারঙত"
"জোতিষ রত্নাকর" "গ্রেড রাইটর"।

৪শুবা চহী — মশীং
মমল—রুপা ৩·০০ — ১৫/১৬
সেপটেম্বর/ডিসেম্বর

Regd. No. D/C(c)10/60/J178

মাঙ্কম তাকপা

মং-	থিরম	লামাই	অইবা/শিন্দোকপগী মমিং
১।	মৈহৌরোল	১-৬	মোইরাংথেম নরেন্দ্র
২।	হাওমচা খোঁগল মশিল	৬-৮	এল, অশোককুমার
৩।	উমংলাই খুম্বোক	৮-১২	খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ
৪।	লুরাংলোন খোঞ্জেল (লম্মিংলোন)	১৩-৪০	য়ুম্নামচা বুদ্ধিচন্দ্র
৫।	অরেংবগী খোঁজেঁদগী লাই হরাওবগী মখলশিং	।-।।	খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ

খংবিগদবা :— "উমংলাই খুন্দা" দা ফোঙদোক্লিবা আর্টিকলশিং অসিগী অয়াল-অহুইগী দায়িত্ব অইবা মশা মশাগীনি। কনাগুম্বা পুকচেল চাওরবশিংনা আর্টিকলশিং অসি খোমজিন্দুনা ফোঙদোকপিনিংবা লৈরবদি সম্পাদক্তা মাংজোননা খঙহনবিয়ু।

সম্পাদক—চন্দ্রশেখর সিংহ তাং ১৩।১।৮৪ ইং

অরেংবগী খোঁজেঁদগী

লাই হরাওবগী মখলশিং

অশিবনা কুরুগী য়াথং মতুংইন্না মালেম লৈশেম্বা লোইয়ে। মালেম অসিবু ঙাকশেন্দুনা পান্দুনা লৈগদবা জীব অসি কনা কনানো হায়না খনকম খঙদনা রাখলগী লংলা লংজিল পুন্দুনা লৈরিঙৈদা কুরুনা ময়া কাখোক্লুনা মাগী পিবক্লুংদা লৈরিবা তাইবঙপান্দা লৈগদবা জীবশিংদি অসিনি হায়না উৎপিখি। মতু উবদা অশিবনা হরাউ-হুংঙাইবগা লোয়ননা লাউহুনা লাই ময়াম হোইদোক্লকপবু "লাইহোই লাউবা" হায়না কৌই। লাই হোই লাউবগী পোইবৈ তারক্লুনা "লাই হরাওবা" হায়বা বাহৈ অসি থোকখি। "লৈশেম্বদা লাইশিংনা তৌরম্বা



পুরক নুপাগী নিংশিংবা ওইবা শ্রীওইবনা মর্তো তমদুনা শাবরদু লাই হরাউবা কৌই।"

হৌজিক মনিপুরদা চংনরিবা (শাররিবা) লাই হরাউবা মখলশিং অসি চাউরাক্না শরুক মরী থোক্না খাইদোকপা য়াই। মদুদি :—
(১) কংলৈ হরাউবা (২) মোইরাং হরাউবা (৩) চকপা হরাউবা
(৪) ককচীং হরাউবা অসিনি। হায়রিবা হরাউবা মখল মরী অসিগী
বারী মপুংদা মায়রবদু, মায়বশিংগী মমুংদা মায়দবশিং কয়ামরুমদু
লৈরি। শয়া হায়রবদা লাইগী মুমিং খুদিংগী থৌরম পরেংশিংদা
তৌগদবা অমাইবা, অমাইবী, অশৈবশিংগী শৈশকশিং, অমাইবশিংগী
লাইশোল তিনশোল, অমাইবীশিংগী লাইশোল অমদি জগোই খুথেক-
শিংবদা য়াম্না খেন্নবা নত্তে।

লোম্লনা লাইশিংগী হৈ-থা, লৈ-থা, চকচা-য়ুথক শিংবা য়াম্না
খান্নবা লৈরি। লাই খরা অমনা মৈ চঙবা পোং কংপা য়াদে।
লাই খরা অমনা মৈ চঙবা পোং কংকরি। লাইশিংগী কংপা য়াবা
য়াদবা মনা-মশীং তোঙান তোঙান্না লৈরি। শা-ঙা কংপা য়াদবা
লাই কয়াদু লৈরি। লাইশঙগী (থোঙগী) মাইওয়চিংবা করম্না ওন-
গনি হায়বা চংনবী কয়ামরুমদু লৈরি। হায়রিবা পুরুষক অসি মপাং
নত্তবনা পঙজে।

কংলৈ হরাউবা :— "কংলৈ, থোকপা হায়রদি মীয়াম্না লাই মুপী
থিবা হায়না খংনবা মশাক্না অসি য়াওনা শাররিবা হরাউবা মখল অদুবু
কংলৈ হরাউবা হায়না কৌই"। মসিদা খোয়রিক্লবা অমম্বা কোয়াক
লাকপা অনিগী মুক্না, কাওতৈ শায়বা, অমদি অমাইবীনা লাংজৈ কাংদু
লোনা থোকলগা শিজাই হন্দুনা লাইগী মুপী, ওইনদোক্লিবী অদুগী
লৈনম থিরগা কাংদুনা কোৎকনি। কোংলকা মতুংদা মুপী অদুনা
লাইদা কংকম থোকপা পোং-চৈরম্বিংবা কঙ্কনি।

মৈহৌরোল

অয়িব :— যোইরাংথেম নরেন্দ্র
খোংমন।

পাঙল লোল্ :— পাঙল্সি মৈতৈ নিংথৌ খাগেম্বগী মমাংদ মৈত্রবাক্ত লৈরম্লে। অছুবু মমাংদৈদগিদি নোংচুপলোমদগি লাকপ মীঘুন ময়াং, বাঙ্গলা লয়বাক্তগী লাকপ মীবুন পাংঙল হায়নদি কখঙনৈ। মসিদ নোংচুপ হায়রিবসি কাছাঁর অমসুং ত্রিপুরাবুনি। ত্রিপুরাদি তথেন হায়ন খঙনৈ। পাংঙল হায়ব ৱাহৈ অসিমক্তি অথেঙব ৱাহৈদি নত্তে। ৱাহৈ অসি খৃঃ ৪১১ দ পয়রে। খৃঃ ৪১১ তা বাঙ্গালদগি লাকপ মীদ কহায়রে। মরম অসিদগি খাগেম্বগি মতমদ লাকপ বাঙ্গাল লয়বাক্তি মীদ পাঙল অমুম হায়রে। পাংঙলসি খরা থেঙথরব মতমদ মৈতৈ পাঙলসু হায়। পাংঙল হায়ব ৱাহৈ অসিমক্তি বাঙ্গাল হায়বনি। মৈত্রবাকন হৌজিক হৌজিক পাংঙল হায়ন খঙনরিবসিন ইসলাম ধর্ম্ম চংপ বাঙ্গালা লয়বাক্তি মী খরা অছুতবু খঙনপ্রে। পাংঙলন মৈত্রবাক্ত য়িহান হায় লাকপসি লানকা ৱোইন লাকঈ।

পাংঙলসিংন মতৌ করম্ম মৈত্রবাক্ত লাকখিবগে হায়বদো মথাগি অসিদগি খঙবিগনি। খাগেম্বগি মতমদ ময়াংন মৈত্রবাক্ত লাল তা-রকপসি থেংথাঙ অছুম মরিকনি। শক তারিখ খঙব মসক নাইবদি অনীরকনি। অহানথন শকাব্দ ১৫২৬ খৃঃ ১৬০৪ দ লাকখি। কাংচুপ লম্বীরোমদগি লাকখি। লালকম অসিদ লূচিংবদি য়াথারেক অমদি ভিমবোন অনী অসিনি। মসিবু চয়থারোল কুম্বাবদ হকবানথেম থুন-জাগি কুম শক ১৫২৬ ময়াং লাক্তুন চেকসঙ মনাক্ত থামলৈ তৌ-রমএ। মৈদিঙঙু খাগেম্বগ য়াথারেক মেম্বা সরি সোমএ। ঈবুংঙো

কংলা হওব

সানোংবন্সুং মযাংন থৈখিএ। তাংখুন্ হাওন ময়াং নাগে লাকপগী সম্বি সোম্বন হাল্লহুন হাও পুম্নম খাধলোং হাযন য়িরি। মসী কাহৌবগি বা য়াওদে।

"লালফম অসিবু অমুকন্সু খাগেম্বা হায়ব মৈতৈগি অরিব লাইরিক অমদন—মুমনামচা কিয়াম্বা, হাওবমচা অরোই, য়েলাংব পুঙ্নাচংব মৈতৈন খেৎপমক্কো লাইহুং লা, লাইশ্রেণী কাইহুং কেন্দ খোয়ুম নারোল মুংদ কাকুপ থৈন সেনবী ভেখাকেন্দ ভাখা কায়াম চমকখম ময়াং য়াম কারে হায়রক য়িবি। অদুগ খাগেম্বা লা ঐন্দন মসী অদুম কাইতগা শকন চেনখিব্রগি বু খোইম য়িগা নিংথৌরোল লম্বুবদি লাল অসিগি অবুপ্প মরোল য়িদে। সমন য়ি, মসী কাই কাদে হাল্লবাগ বা পন্দে। অন মুব লালগি থ'দ য়ি। পাঙলগি খুন্দা। পুনখোক্কি বাদগি অনৌশুব লাল অসিন মক্নি। ময়াংগ অনৌশুব লাল অসি শকান্দ ১৫২৮ : ১৬০৬ তলাকখি। মসিবু কুন্থাবদ "চৈরাংখোংজম মোল্লাংগি কুম শক ১৫২৮ ঈথুংঙো সানোংবন চিংথুন যাংগোইরোমদ ময়াং লাকএ হাল্লহুন চৎএ। লাইরিংথো খাগেম্বন ময়াংগ ভমজোএ" কায়ন য়ি। লাল অসিগি মরমদ নিংথৌরোল লম্বুবদ হায়াম্বন—"তুপী খাখি নর্তু লাইরেল মৈন বোংন হৌমাবাদি খোংনাং 'ঢেক্কোল লাইরে। ময়াং লালগ মাঙলে। হুয়েন লালনিংগদি ভেকাং অচা অশ্রোন, ময়াং ভযম তাও, মপারি ফানলৈ তাও, সনা লাক চকসিবগ মখোয় অহুম্মবু কাইন হুল্লে। পোংনাং কয়ুক্রংব, ময়াং বাসকপ মরৈকা তাও অশৌব কারোএ। ময়াং ভাংখোঙ সা মাঙহেনপ, চোয়রৌ মেলসেল মেয়া, চয়রয় নিংথৌক্কি খারোনবু হুয়রোএ। ফান্নচা লনচয়বা দেওম্চা অথৌব লাংমৈ ১১ খেৎপ, পুহান ভকপীনব সোয়রেল কুপী নমডামন খাঙথবু লুরক কাঙদে খি. খোনাও লেনখোঙ লেল্লে। মেগে মেক-বয়েলগি খাকা কাজা অচানবু কারোএ। থুঙ্গোন মেসম তোক্কি ময়াং খৌপথি খোংবু কারোএ। খোইনাই ভাইথীরোগি কালা পুঙদোয়

"[illegible] খাইনা [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible]এ। [illegible] [illegible]গি [illegible] [illegible] [illegible]। কেগে নিং-থৌখোংগি [illegible] [illegible] [illegible]এ। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]এ। হাওরা [illegible] [illegible] থোক [illegible] [illegible]এ। খুনু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অশেৎবব কাইনা [illegible]। [illegible] [illegible] হৈরেএ। কেগে নিংথৌখোংগি [illegible] থোক্কবব [illegible]এ। লোলোই যিমন খেঙগি খো নাং তাওথিয়া যুবা লম্বোনরবু কাইনা হল্লে। খেগে খাখ'য়গি ময়াং পাওহনরবু ফারে'এ। লোলোই লময়-মাংগি সরিক্ক তাও অশৌবব ফবোবে। হাওরা অচৌমনগি খোনাং পুক্কনাই তাও অশৌববু কাইনা হল্লে। য়াওরও সনা পনগি ময়াং মপৈ সাবব ফারৌএ। লাইজ তুরাও রোক্কি য়াথ'রেক লালজিংরবু কাইনা হল্লৌএ। হাওরা লাইচাও খেলগি পুঙয়া লু'চিংবব ফারৌএ। খোংনাং তাপুরম চিঙগি ভিমবোন লালচিংবব কাইনা হল্লৌএ। অমচি সুড়লাই কোনগি ময়াং ছুকাই ১৫ লোকলৌএ। লোলোই লয়ম-তাক্কি লাংগোই সগোল ১৫ ফরে'এ। হাওগৈ সনকা পনগি লাংগোই থিক্কাচেং পত্রচেগ সামু ৩০ লোক লৌএ। থাঙলেল মখুৎস্ত, লোকসুং লাক্মব,..থাঙলেল চয়গন পেকপ, সনা কয়খেল খোইবু থাঙন, পারা সিঙচুং য়ানগুম খোংনাং কায়য়াননরে।"

লাল অসিদ ফারকপগি মতাংদ চয়থারোল কুম্বাবদ, হায়রন—হৈরাংখোংলম মোনসাংগি কুম সক ইবুংঙো সম্নোংবন চিংহুন য়াংক্লোই-রোমদ ময়াং লাকয়ে হায়রন চংএ। লইয়ুংথৌ থাংগেমন, ময়াং [illegible]এ। য়ানোংবস্থং থামলৌএ। সামু ৩০ [illegible] ১০০০ পাংচন পারা ১০০০, থাং, সাব, কোন, সাব, [illegible], [illegible], [illegible] [illegible] সাব, খোবী, সগোন, সেনব, শামু সেনব অসি [illegible] [illegible]এ। পাংচন অচংব খৈবিক্কি লোইসং অন [illegible]এ। [illegible] ১০০০ কাইয়ে। [illegible] থাংগেমন, [illegible] পারোৈ, তাওগা, মাইকা তাওগা [illegible]

পুখিবগ, তেকফচা কয়রুংবগ পোনচে খাগি মিংনাইবগ ৬ কায়ে।”

লাল অসিদ কারকপগি মতাংদ “খাগেম্ব লানকা” হায়ব অচুম হায়বন—ময়দিংগু খাগেম্বগি হাকথক্ত অঙোমবু কম্বাল কাহঞ্জিবৈদ ময়াংন লানকা অহুমলকনে। অময়ক্তি ময়াং নিংখৌ নাইদ চেনএ। অময়ক্তি সেক্তা চেনএ। অময়ক্তি মোংব হনবদ চেনএ। অকোনবদ পাখঙবদ য়াথং নিছুন ময়াংগ লাল সোকনৈয়ে। অচুদ অখোম ময়োনন তেলি দয়ারাম কৌব কায়ে। সিজ পোঙলেল খোম্বীগি লুবাক খিন-জিললকপদ লুবাক মমল পীখিয়ে। লঙকুদ য়িনখোল সঙহল্লে। লাইরিকয়েংবম নোংসামৈন বুরে। নঙদি করি জাংনে। হংএ। দয়া-রাম তেল্লিনে খুন্মে। খাগেম্বদ তাকলে। পুখৎলুরে। বুত্রা মমাংদ খাউ সুমহল্লে। সিজ গুরুময়ুমন খাউ সুম্ব তোকলে। তেল্লিন সিম্নে।

চিরোম লাইরেল ময়ন কাবদি—যুক্তি নয়ন কৌব অম কায়ে। খোব অমসুং কায়ে। নোংসাময়ন কাবদি কৃষ্ণ দাং খোপথি খোংব অম, রাম নয়ান পেরে খোঙব অম, অনীম কায়ে। মোসলমান খুংহৈব অমসুঙ কায়ে। হায়াই মোং কৌব কুমার কুসাব অমসুঙ কায়ে। সুকা তোল-সুঙ কাএ। শলখোম সুম্ব অমসুঙ কায়ে। কি সাব ঙাংবগি সাগৈনে। মমিংদি কৃষ্ণ দাং কৌয়ে। লখোল দাং কৌব কানা ময়িম অম কাএ। সুত্র বিনোংকি সাকৈনে। চন্দোনিয়া অম কায়ে। চনতোন তকপনে। মোইবুঙ খোংব অম কায়ে। কিন্তু গুংদ্ধ’ন ময়ুমনে। সেন য়য়ব অমসুঙ কায়ে। কিন্তু শ্রীনিবাস ময়ুমনে। সিকাই অমসুঙ কায়ে। মংকন ময়ুমনে। সগোন সেনব পারা তাবম অমসুঙ কায়ে। হচোন লাইরিকয়েংব অমসুঙ কায়ে। ককচিংদ লৈরে। লাইরিকয়েংব অমসুঙ কায়ে। খাঙ সাব অম কায়ে। মমিংদি রাম দাং কৌয়ে। য়াইরিবোক লয়মনাইদ লৈরে। সগোন সেনব সিব রাম কৌব অমসুঙ কায়ে। লাঙথেলদ লৈরে। খিয়াম পুঙসনন লাইরিক য়েংব অম কায়ে। খোবদ লৈরে। মমিংদি সাম দাং কৌএ। কুম্রে অমসুঙ কায়ে। মমিংদি মোলমোন

মোং কৌএ। হুডম লুঙ ফায়ে। কোন সাব অমসুঙ ফায়ে। মমিংদি দয়ারাম দাং কৌএ। ফৌকাকচাওদ লৈরে। কবো লংনাইব অমসুঙ ফাএ। মমিংদি বিনোৎ কৌএ।

সাংপম সারাবন ফাবদি—পাংগুন আনন্দরাম কৌব অম ফারে। লাইরিপোক্ত চঙখিয়ে। লাইরিকয়েংব হরি দাং কৌধ অম ফায়ে খোবদ চংখিয়ে। কোন সাবা হমে কৌব অমসুঙ ফায়ে। হংকুনদ চংখিয়ে। হুক ভাখিক কোন্তো কৌব অমসুঙ ফায়ে। সৌকাইজমদ চঙখিয়ে। মালদি লখোনচিং কৌব অমসুঙ ফায়ে। ভাংগোমদ চংখিয়ে। নমসা ভকপ গংগারাম কৌব অমসুঙ ফায়ে। ময়েংবমদ চংখয়ে। হুম ভাখিব তামুদোল কৌব অমসুঙ ফায়ে। খাংগদ চংখয়ে। মোসলমান কুট্রেং বোলদি তৌব অমসুঙ ফায়ে। মুঙচাইদ ভারিয়ে। মোসলমান সেক কৌব অমসুঙ ফায়ে। সোংলাইদ চঙখিয়ে।"

খাগেম্ব হাক্তক্ত ফারকপ লানফা লোই পাংগুল অসিদি পৃথিবীগি মকম অতৈদ লানফা লোয়বু সনমান উংপ মউং অহুগ মায়দে। পাঙলসিং অসিন মৈত্রবাক্তপি হল্লয়োই হায়রবদ মহাক মহাক্তি মতিক য়েংন মান মান হৈজব, অনদি হায়দগি হৈনজরব মসা মসান হিংজব ভমগদব সিনফমদ থাজিন্দুন মীতৈ লয়বাক্ত মীতৈ বোইন লোয়ুম সিনয়েনগি নিয়ম কায়দন মী য়ুমনাক ১১ পিহুন লৈহনখি।

মীতৈ য়ুমনাকত লৈরব, নিংথৌগি সিনথা ফংদব পাংগুলসিং অসিবু মখোয়গি লোয়শঙ লিংবিহুন লয়বাক্ত মায়েন খৌদাদ ল্যাঙচখি। প্রজা অমগি ফংফম খোকপ অধিকার অহু পিবিখি। সমন হায়রবদ লানফাসিং অসিবু প্রজা অমগি ফংফম খোকপ, মসা মরু মানমব; বুদ্ধি লৌসিং চাউখংনব; লমচং সাজং সেমগংনব, নীতি নিয়ম খঙনব, নিঙতব পাংনব অমদি য়িচং খৌব মী অমম বোইহনবদ চংথ মচাক পুন্নক নিংখিন পিখিখি।

খাগেৎপি হাকথক অসিদ প্রজাসিং অসি সিনফমগি থেংব নভন

মীগি খেন্নব লৈতে। মী থুদিংমক সিনফমগি মতুংয়িন্না লোয়নশঙ লৈ।। সনা হাকথক অসিদ লানকাসিং অসিগি শিংথংথিব লোয়নশঙদি— (১) সামুসঙ (২) সগোল সঙ, (৩) লাললমী-মায়রেক সঙ, (৪) সিংগা খোঙব লোয়সঙ, (৫) পাংগল সঙলেন, (৬) ন্যালদৈব, (৭) পাংগল ফুন্দ্রে, (৮) দোলাইরোই, (৯) চেক্সি অমসঙ, (১০) অচোয়ব সঙ, সঙ ১০ অসি শিংথংপিখি।

খাগেম্ব মতমদ ময়াংলাল অসিদ কারকপ নৌন লাকপ মীসিং অহুবুম্ব মৈত্রবাকি মীসিংগি সাগৈ, লাইগি লাইচিং, থুন্দারোল, থুনখোকলোল, খোঙহও, খোইরা লৈবগুম্ন, নোংচুপ হারম, নোংপোক হারম হায়ন সেম্বীহুন মৈত্রবাকি মীয়ামগী লৈহনখি। মৈতৈগি য়েক সল্লাই খায়বগুম্ন য়েক সল্লাই পীহুন মৈতৈগি মপা মপু মরক চিংসিনবিখি। পাংগলগিম্ব নোংচুপ হারম পাংগলগোল হায়ন সেম্বীখি।

হাও মচা খৌগিল মশিল

এল, অশোক কুমার

হাও মচাকি থৌগলডী অয়ুক অঙনপতা মী ৪ য়িরুহুনা শঙকাই পৈথোপতা থোকতনা ওইরবম্ন থৌখল ভাইকনী। মসা থোংলেঙপা থোকলাপতি য়িপেমমাশিংনা খনপা লেনাক অতুপু শঙকাইকি থোঙতাকি শিলনাতানা খলকনি। চাইথাশেলনচিংনা থৌখল পোং পুম্নমা য়িপেমমাশিংনা খলপা থৌখল পোং অহু ওককনি থৌখলকনি। মসা শঙকাই মমুংতা য়িপেমমাশিংনা সনা থৌখল তৌপা ভাইতানা শঙকাইকি থোঙতা ভাইকনি॥ য়িপেমমাশিংনা থোকমিরবতা হাও মচানা শঙকাই মমুংতা খলকনি। মসা থুংতমপানা মসা হুকপাং খলকনি।

হাও মচা শেনাকমতু খলকনি। মমুং অচৌপা চঙফমতা হাও মচানা মী ১না ভাইভানা য়িশিং অচিকপা য়িরুকনি। কমপি মৈহৌকনি। মসা খৌথল ভাইকনি। য়িপেমমাশিংভাকি চেঙহী চমত্রা ভালতানা থমকনি। হীরু শঙভাকী উচাল ভালতানা থায়ভানা থমকনি। নিংখৌমা চেঙহী লুপাতা কেলপা শম অতুপু নৈপাকনা য়োমতানা মীনা খঙভাপা মফমতা কুমকনি। চাইখনবা থাঙচেং অতু সুমতানা হীরু শঙতা শিলমায়মকনি। মতম চাভানা অহিংতা মমুং চংকে হায়রপাক্তি হাও মচামা হালনা মমুং চঙফম য়েংকনি। মপাল ওইরম য়েংলম য়েংকনি। লম হায়না য়েংকনি। করিকুমপা য়িপেমমাশিংকি মমুংতা লেঙপা খোকলাপতা য়িপেমমাশিংনা শেনাক খলপা খোক-লাপতি হাও মচানা খুংগু খুংলাই অয়ামপা খলকানি॥ য়িপেমমা-শিংনা খলভারপতি শেনাকনচিংপা পুম্নমা হাও মচানা খলকানি। মমুংকি থাঙ, তা, পুম্নমা শঙকাইভাকি হাও মচানা পুথোকতানা থাঙচা চায়োন খুভিংতা লাখোঙতা অপানপা ফেঙপানা শেংকানি। লোইরাকা হাও মচানা মমুংভাপু শিলকানি। মমুংতা হাও মচানা শেনাকনচিংপা পুম্নমা খলক্যানি। মসা কাকোক, মসা খুতোং ২ মাত্তি হাও মচানা খলফাতে। নিংখৌনা চেপলাপতা হাও মচা অতুনা মফম অতুতা চেপলি হায়না ভাকফাতে। মফম খঙলপা হৌনতে। নিংথৌনা মপাল খোকনা সনা খোঙকেঙলাপাতা কৈফজা হাও মচামা মমুং-ভকী হৌনা খললকতানা লাখোঙ য়োরবতা খৌথল পোৎ পুম্নমা মায়কৈ ২ মা শিলনা শিলনাভানা খলকানি। হাও মচাকি পোৎচাভী কৈ-খেলকি চাকথায়পা নিংখৌনা চাকথা পীচাকনি। হাও মচাকি মপাভী খৌথলকতে। মখৌভী মচাকি মফিমেল খোলকানি মোখকতে। মপা থাখোকপতি খোংকি হাও মচা হীভাক কাম্নপাকি হাও মচালে। কৈ-খেলকি চাকথায়পতা লোইভানা পোৎতি য়েনশাং মনা মশিঙ, পানা কা, তা, লাহু, কৈ-বা অমি খৌমীক লোকনি॥ অতৈক্তি লোকতে।

শীঙ, চেঙ, থুম, লশিং, ফিরোল, কোল লীক অসিনচিংপা লাককতে। লাকলাবাতি লোয়ম্লিল চংফদে। হিচাং চংফতে। নিংথৌ শেলরকখ্যানি। হীতাক ফানবা লোইশঙ লিংলাপতি মৈতেংঙু থাকেমপা হাকথকতা লিংপা হৌরকলে। লৈমানাই নিংথোনাই ২ মা থায়নারকপা, কম হাপপা হসচাপা হাপলকপাতি শ্রীমপুথৌ য়িপুংঙু পাইখোম্পা হাকথকতকি হৌনা হাপলকএ। লৈমানাইনা ভোপা শিলভী নিংথৌনাইকী মগুং ১ ভোকনি। হামেঙ চাওরেল চংকনি। নিংথৌনাই ফম্বাল কারবতা নিংথৌনাইনা মহারাজকি সনা থৌখল ভোকনি। লৈমাইনা মহারানীকি থৌখল চংকনি। লৈমনাইজি পো অমাম্বা চংতে থায়না মমাঙততি হিদাক ফানবী হনজবিদি ইবেমমাশিং লৈমা খুম্বী কমলুপনা ওইরমলে। অতুনা শংদি লিংএ। কমত্তি হাপলমতে অহুনা লৈমানাই কৌরমএ। কম হাপলপতা লৈমানাই নিংথৌনাই থারকএ।

উমংলাই খুম্বোক

(হায়গী মখা)

—খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ

২৪০। কৈনৌ থোংখাদা—লোয়ালাকপা, নুংথেল লৈমা লাই অম্নি অম্নি লৈ।

১৪১। কৈনৌ খুন্দা—অহোংশাংবম পাম্বোইবী, নোংপোক লাই অমি লৈ।

২৪২। থুরায়ম্বকপা পল ভাকচে পোকপীদা—য়াকোই য়িংথৌ য়াকোইবী লৈমা, লাই অমি অমি লৈ।

২৪৩। ওইগ্নোং খুন্দা—সোরারেল, ইরেংফুম্বী লৈমা, লাইনিংথৌ নোংথাবা, কালিকা, শলাম লাইয়েম্মা, লোকলাকপা, নুংথেল

লৈমা য়াঙোই নিংথৌ, য়াঙোই লৈমা, তৌবুল লাকপা, হাও-রৈমা লাই ভরামাথোই অসি লৈ।

২৪৪। তৌবুল খুন্নাওদা—তৌবুল লাকপা, হাওরৈমা, ইরুমনিংথৌ, চংনিংলৈমা, থোংভাবা, কালিকা, লাইনিংথৌ সনা, পুরৈরোম্বা লাইরেম্মা লাই মাপল অসি লৈ।

২৪৫। খোইজুমান খুন্দা—নোংমাইনিংথৌ, ইরুম নিংথৌ, য়াংগোই নিং-থৌ, লাইরেম্মা লাই মরি অসি লৈ।

২৪৬। লম্মাংদোং খুন্দা—ইরুম নিংথৌ, লাইরেম্মা, থোংনিংথৌ, থোং-লৈমা লাই মরি অসি লৈ।

২৪৭। চোথে খুন্দা—থাংমাই পাখংবা, লোয়ালাকপা, নুংথেল লৈমা, লৈমা, লাই মরি অসি লৈ।

২৪৮। পোংশংবম নাচৌ খুন্দা—পাঙনবা, কালিকা লাই অনি অসি লৈ।

২৪৯। খা পোংশংবম খুন্দা—থোংনাং ঈশিং চাইবা, খুনিং লাইরেম্মা, থোংনাং পাঙনবা, খুললৈমা লাই মরি অসি লৈ।

২৫০। উপোকপী খুন্দা—লাইনিংথৌ, লাইরেম্মা লাই অনি অসি লৈ।

২৫১। নিংথৌখোং খুন্নাওদা—ওকমরেল, খোইদোম ওকলৈমা, সো-বোকথাইবম থাবা, পান্থোইবী লাই মরি অসি লৈ।

২৫২। নিংথৌখোং খুনৌদা—থংনরেল, লাইরেম্মা লাই অনি অসি লৈ।

২৫৩। থিঙ্গুংগৈ খুন্দা—লোয়ালাকপা, নুংথেল লৈমা লাই অনি অসি লৈ।

২৫৪। থম্নাপোকপী মোইরাংলমদা—থাংজিং, কোয়রেল লৈমা লাই অনি অসি লৈ।

২৫৫। ভাংথলবাই খুন্দা—থংজিং, কোয়রেল লৈমা লাই অনি অসি লৈ।

২৫৬। মোইরাং খুন্নাওদা—থংজিং, কোয়রেললৈমা, নোংশাবা, লৈম-

য়েল, অয়াংলৈমা লাই মঙা অসি লৈ।

২৫৭। তেৱাখোংশাংবী খুন্দা—থংজিং, কোয়রেল লৈমা লাই অনি অসি লৈ।

২৫৮। তোরোংলাউবী খুন্দা—থংজিং, কোয়রেল লৈমা লাই অনি অসি লৈ।

২৫৯। তেৱাখোংশাংবী লৈত্ৰাম খুনৌদা—লোয়ালাকপা, নুংথেল লৈমা লাই অনি অসি লৈ।

২৬০। ফোগাকচাউ ঈথাই কাক্তা ঙামুকোল খুল অহুমদা :—শম্বোং, থংজিং লাই অনি অসি লৈ।

২৬১। কুমকি খুন্দা—শম্বোং, হুইমুলৈমা লাই অনি অসি লৈ।

২৬২। থাঙ্গলবাই খুন্দা—থংজিং, কোয়রেল লৈমা লাই অনি অসি লৈ।

২৬৩। কৈরেনকাবী খুন্দা—থংজিং, কোয়রেল লৈমা লাই অনি অসি লৈ।

২৬৪। কৈবুল নমজাওদা—থংজিং, কোয়রেল লৈমা লাই অনি অসি লৈ।

২৬৫। মোইরাং খুনৌদা—থংজিং, কোয়রেল লৈমা লাই অনি অসি লৈ।

২৬৬। থাঙ্গা নিংথৌজম শলামদা—নিংথৌ, লোক্তাক লাইরেম্মা, লাই সনাহল, লাই সোয়ারেল, ভোরনী (থাজ নিঙোল) লাই মঙা অসি লৈ।

২৬৭। থাঙ্গা চীংথাদা—চাইরেল লাকপা, লাইরেম্মা লাই অনি অসি লৈ।

২৬৮। থাঙ্গা শামুকোন্দা—শৌবোন লাইরেম্মা, তুবী লাইরেন পাথংবা লাই অনি অসি লৈ।

২৬৯। থাঙ্গা ভোংত্ৰম লৈকাইদা—ভোংত্ৰম লাইরেম্মা (নোংলোন

লৈমা), চীংনিংথৌ, পাম্হোইবী লাই অহুম অসি লৈ।

২৭০। থাঙ্গা মোইরাংথেমদা—থংজিং, (থাঙ্গী লাকপা) লাইরেম্মা লাই অনি অসি লৈ।

২৭১। ঈথিংদা—থংজিং (ঈরুম নিংথৌ), পনম নিংথৌ, হংলাক লৈমা, লোক্তাক লাইরেম্মা লাই মরি অসি লৈ।

২৭২। থাঙ্গ-করাংদা—খূমন পোকপা লৈ।

২৭৩। নারল কোঞ্জিল খুনদা—কৌব্রু, কৌম্রু, লোয়ালাকপা, নুংথেল লৈমা লাই মরি অসি লৈ।

২৭৪। চজিংদা—চজিং লাকপা পুরৈরোম্বা, খুলৈমা লাই অনি অসি লৈ।

২৭৫। হাওরৈবী খুন্দা—পাখংবা, লাইরেম্মা লাই অনি অসি লৈ।

২৭৬। শামুরৌ খুন্দা—শামুরৌ লাকপা লৈ।

২৭৭। ওয়নামদা—ঈরৈমা, লাইনিংথৌ লাই অনি অসি লৈ।

২৭৮। বাঙ্গোই খুন্দা—বাংবরেল, ঈরোংলৈমা লাই অনি অসি লৈ।

২৭৯। বাঙ্গোইদা—সনামহী, নোংশাবা লাই অনি অসি লৈ।

২৮০। বাঙ্গোইদা—য়ুমজাও লাইরেম্মা অমা লৈ।

২৮১। লৈশাংখোং খুন্দা—লাইনিংথৌ খাগেম্বা, মোংবাং ঙম্বা, লৈশাংখোং লাইরেম্মা লাই অহুম অসি লৈ।

২৮২। বাঙ্গোই থিয়ামদা—য়ুমজাও লাইরেম্মা, পাখংবা লাই অনি অসি লৈ।

২৮৩। য়ুম্নাম হুইদ্রোমদা—ইবুধৌ অমা লৈ।

২৮৪। পাঙন সিকাই খুন্দা—লোয়ালাকপা, নুংথেল লৈমা লাই অসি লৈ।

২৮৫। লাইফ্রাকপম খুন্দা—পাম্হোইবী, নোংপোক লাই অনি অসি লৈ।

২৮৬। ভাংলৌ খুন্দা—ভাংলৌলাকপা, শজিকলোই লাই অনি অসি

লৈ।

২৮৭। ঈরুম সিফাই খুন্দা—ৱাংবরেল, ঈরোংলৈমা, লৌকুয়াকপা লাই অহুম অসি লৈ।

২৮৮। চোংথাম কোনা খুন্দা—পাখংবা, লাইরেম্মা লাই অনি অসি লৈ।

২৮৯। মুতুম ফিকৌ খুন্দা—ৱাংবরেল, ঈরোংলৈমা লাই অনি অসি লৈ।

২৯০। চিরাই খুন্দা—পাম্ভোইবী, নোংপোক নিংথৌ লাই অনি অসি লৈ।

২৯১। চবুংবা কম্পানী খুন্দা—ৱাংবরেল, ঈরৈমা লাই অসি লৈ।

২৯২। কোকচাই খুন্দা—পাউতেকপী, পাউতেকপা, হাওসোইলাকপা লাই অহুম অসি লৈ।

২৯৩। ময়াং ইম্ফাল খুন্দা—কোনচাক, কোনচিঙ্তাবম, থাইকা লৌখা, খৈদা খোংনে, খুমন নিংথৌ অমা লৈ।

মথং মথং

লুবাংলোন খোঙগুন
(লেম্মিং লোন)

লৌথোকচবা
ময়াম-চা বুদ্ধিচন্দ্র

লুবাংলোন খোঙগুনদি—মালেম ভমপাক লৈনেমথক্কী অবাং কোমৌ বোংনেমথক্কী, মুভাও লাইনা খাইরাপুঙনে, অয়াঙপনা খাইরাপুঙনে। মানতোম লাইনা খাইরাপুঙনে। মাইকোক শারুপা কামং শায়েংপা তেক্লা যেৎলে থেকপা বাথং মায়রোয়নবা খোমপু তুংইমা লাবা সম-চিনকা পুঙমায়রোয়নবনা খাইরাপুঙনে। পলেম মমা খৌতিকখোনগী মপান পীথেং চঙগে চঙমদে; পীতাই কাঙগে. কাঙঙমদবনা; উমি থুৎতাম্বি শীংকাং নামৈ য়েপ্পা চীংথাং থুয়োমথাবনা খাইরা পুঙনে, চীংথাংলাননে, থাখুলায়ে. থাংলেল লায়ে। লয়েল লোনলোই লৌ-চীংথাং চীংথাং, চীংথাং থাংলাংমৈ, থুয়োন থারাইপা তুমুংশি থুয়োন ফোয়ভং লৌ; য়োইবু থাপী চীংমাবী খোইয়ুম লাইপুন্সি; লীবানা পুমবী চীং, লোংবানা তাংবী চীং; মপম্না কুবীলম মচুনা কাবী-লম; অঙোবা চীংবালক্কী পুলৈরোম্বা থুয়োমবায় চীংথাং থাংলাং-মৈনে। পেরে সারে লানও কৌবদি কদোনোংগীমো—ভমকা বাঙমোন খাবী লেংমাঙমোম্বীনা চকযোম খাম্বী মৈতান অমাববু সমু থুৎতা থম্ববু, সায়ে হায়না সোনমোইখিএ। খোইমোম লাইরেম্মনা মখা পেনা পেনা চংখিএ। অছু নোংগীবু পেরে সারে খোমৈএ।

লাংচম ফিফৌলাল কৌবদি—হয়িচকতৈগী মৈতিংঙু হোংনেম য়োইথুম্বাওনা; পামেম ভোইয়ানবা তলা হোইথেম্বদা, লোইদামথা-শিরা লাংচৈ কুমওল্লবনিগীনা চরৈ মবাক চায়ে, লাংচমও কৌএ। মালদৌ মপান কুম্বা ফিবু লাইজ ঈদা ভনা ফোয়মএ; ফিকৌও কৌএ।

নাওবা খোইমোম লানও কৌবাদ— হরিদৈ তমফা বাঙমলোন তুবী ভাংয়েক চম্নু ভৌরা নোংঙংঙ্গেঙ্গৌনা নাওবা ওপিশক ওইনা লানখিএ। নাওবা লানও কৌএ। খোইমোম লাইবু ওইনা লানখিএ, খোইমোম লানও কৌএ। ছুইমাঙ ছুইথাও লানও কৌবাদ— ময়ুম হাওয়োক কোম্বৌনা পথুপ নোংলোম্না নোংপা থায়াম্না য়ারৌ লাক্লানখদা, খ্রাঙ্গেল ভাওবা মছুইচা য়াংলা — ঙৌথে, ছাওবা মীরোন লোকপা লবাই. ইহুন পাওহুনহুই সোঙপু ছংছেপু কোমনা কোমুনা ভায়রে, ছুইভানও খোরেএ। য়াংলা শারুইথোবু ময়েন মথুংদুনা ইপাঙ্গে; অহুনোম্বু ছুইমাঙ ছুইভানও কৌএ।

অমপোংসিংগা অখেয়থম লঙ্গেল থিঙপা পাং থিঙপাথম খ্রাঙতা অমপোং কৌবদি মসোয়থাঙ; লঙ্গেল থিঙপা পাং থিঙপাথম খ্রাঙতা অমপোং সোয়নে। মৈথিংঙু মেনবী খাহেগন্না তুবী ভোংভোই লাম্মরনা অইঙ্গু সেংপাম্বাদ্র মাঙওকংচা কানা পুঙনে। হাওবা লানসোনবীগী অলোই মাঙ্গইতাও কৌবদি কদোনোংগীনে— ময়ুম লোইবী মাহে কারি লোঙপুনা; লোইবী অচৌংলেন্দগী বুমকপদা তাক্লোয় মঙ্গথীনা থাও-থিনখিএ। থংলেলও! ইর্পংভানা লোইবী অচৌংলেন্দগী বুঙকপা অরিবু; ঙাক্না শাচ্রইয়েন লানবু ওক্লকবরা কায়মা মোমঙএ। অহুনোংগীবু হাওবা লানসোনবীও ভৌনা কৌএ। লোইবী থাংলেম্না মিয়েন থমুং শুবুং থুংপাক থিরাই মেম্না নচিংনা চিনা চংলবু মাকেম লোদা থারে; অহুনোংগীবু লালোয় অম্নাই ভাও ভৌনা কৌএ। কায়না লানসোনবী খোয়থিন্তি— অসিমুং অদোমদে। কৌবা ভাংভানা কায়না শাছায়েন লানবু হংকগবরা হায়না সোম্না সোম্না চংখিএ; অহুনোংগীবু অয়েল হাওবা লানসোনবীও খোরেএ।

মৈথিংঙু নাওরেমজোন লাইকলেম্বীনা খোইরেল শঙ্গায়ুবু ঙুঙউন ঙাক্লমীনা, মরান লুহোঙ খোঙদোংলমে। লাংগোই শায়াংখম্বা খোই-নৌ সনা শেকপিন থাম্না মরান লুহোঙ খোঙদোং লমে। মৈথিংঙু

অদুইনো ইরেংবনা. হাওবৈ কৈরেল শাখোম্বা মানব লমলোকপদা; লোংয়াই খায়োইরোন প্লোনপুম্ন কাংলৈবা হন্ম মাইলেকা বরোং পামেল নৌক্ররব কায়না হন্নকএ। মৈতিংঙু অংনাং ভেলহৈরবনা পঙ-মা থোয়মএ; ময়েমনিকিদি নোংয়াই খায়োইপোনরম্ন কানপুঙনে। মেদেংঙু লোংনাই থৌরান থাবনা য়ারো শাখোঙপ্রঙ লালনিং থোমসোনলাঙও কৌরুদি কদৌনোংঙ্গীনো হায়দবরা? মৈদিঙু হোঙুরেম থুম্নাওবনা পামেন ত ঙেঙগে হায়দৈদা; লমুলেল লোনলোই লৌচৈংমথাংক্রী, পামেন হাও চিরোং তলা কারোংবরু থোঙজী নারেং লোন, কোম্রী লীয়াই হেপনা তলা হোইচিংলকপদা; পামেন উনা মারেম লৈদা নিক নিক থাঙলে। উন্নিকও তৌনা কৌএ। পামেন মিংথালাওবা তলা থাংসেনবা, চরৈ ফিতুং থঙ্কুমনা তলা উ থৌরজী শমু মুখোঙ নীকে। খোঙসোনও কৌববু পোটরৈতা থিবনা উ নীক খোমসোমলানও থোমৈএ। মৈদংঙু লোইনাই থৌরানথাবনা চৌংথুরঙ নোংলোন প্যইরা থরঙ চাকয়ায়খো কানপুঙনে।

নমু পোংহ্নওকৈ, পোংমহাও কৌবদি কদৌনোংগ্রীনো—মৈতিংঙু হোঙনেম ময়েইপুম্নাও লোকয়ি শেম্নোয়নাইনা; নোংয়ায় শেমেপাক অঙোন পাইকৈপারুও প্রেইচৈ প্রকারুকচৈদা। ময়ুম লোইবী মারেম কাবিং সোমুপু হাৎচোংরুঙমকায় নামংতি. থাবিং থবাংনা পানপোন ফিংপোন খাংথা থায়েনপোনুকা ইচুপোন লাপোন সেম, লাপোং শীংপোৎ য়াওনা; লাইরেল. মৈতিঙুব লেংনা লাইপু লুমরুওমএ। অক্কুনোংগীব লমলেল পোংহ্নওকৈ হাওকৈ পোংমহনও থোমৈএ। হয়েল নমিকিদি—মুমন য়াইথোঙ হকচাংবা হুরা প্রোনচেং লোয়াম্বা, মাবিরুপী মুবিরুপা লায়োম্বী লায়োম্বা য়ানা কৈনে। চংশী কৈকংলানে। মৈতিংঙু লোইনাই থৌরানথাবনা অথেল নিংথৌ পোংসারেং কান-কৈনে। চংশীকে বংলানে। মৈতিংঙু শেলবী থাগেম্বনা প্রোংনাং ময়াং চেঙথাবাচা কানমুঙনে। লাংপুমোন লিপোইরুহীনা থামৈ কৌতাবা

কোন্নোয় মখুৎঅোপ্রচ সমু মখুৎনাও তোনকীবু মালেম লৈদা তারোয়ে। অহুনোংগীবু লয়েল লুপাতাও থোয়ৈএ। লময়ায় লায়ে, কাইখিন লায়ে। লয়েল চেঙকৈ লুবাংঈ, কম্বোং নাবাংঈ, তাক্লা লৈরোং ঈও কোবদি কদোনোংগীনো—নোংবান হোঙনেম লুবাং নিংথৌ পুন্সিবনা বাকয়ৈ হি তোংবদা; লাইক ঈন। বাংইগুম বাকয়ৈ লুনা বাংথোইএ। অহুনোংগীবু চেংলৈ লুবাং ঈও থোয়ৈএ। বাকয়ৈ লুনা বাং ঈগুম কম্বোং নানা বাংথোইএ। অহুনোংগীবু কম্বোং নাবাং ঈও থোয়ৈএ। লুবাং থোনমরক্তি—অহুসুং মদোমদে। চীংয়ায় ঙাম্ব খুম্বী মপারী শেলবী মিমাববু মকোক মরুসুং করম চাও বাংবনো হায়না সোম্নখিএ। অহুনোংবু লুবাং ঈও থোয়ৈএ। নোবান মপা–চা মসেনবু শম্ব খুৎপু থিম্না তাক্লমএ, তাক্লা ঈও হায়দবরা। চেংলৈ লুবাংঈ, কম্বোং নাবাং ঈ, তাক্লা লৈরোংঈ, থোখুবা খুতম ঈ, তোইনবা থাইতমই, কোয়ৌ মচি শোয়সেন ঈ, বাংবন মনাও ঙাইরোং ঈ; মমা লাইরেল লাইপাও তাওবী খীক্লেল থোম্বুচাংবী মপারি নম্বোং ঙাখিববু লাকবরা হায়না লৌম্নি ঙাহাতানবা, লৈসুং থংবী লাম্বাববু লাকবরা হায়না পিরেল থারুক্লনা মুংশিখোং, খোলেল হেমতৌ হায়নে। মৈতিংঙু শেলপী খাগেম্বা সায়বা পল্লিংবায়নে। হুয়েল লাম্নিকিদি খোংনাং ময়াং সারিকতাও কানপুঙনে। সায়বা পল্লিংবায়নে। মৈতিংঙু কোবা ঈরোং লাম্বাবনা তিমেন মখুৎসুবু খোয়রে, তাখোয়পুঙও কোএ। খোকথৈ নম্বু মখুৎসুবু চুম্লমএ. অহুনোংগীবু তাচুমও থোয়ৈএ। ময়ুম পোইরৈ মৈতেংগা ময়ুম কেগে মোইরাং ওইবগা. লাংচন পুরিখোক, সবা চাজুম মখোং হাংনা চরৈ মরাক থংনা মানলৌ ললখাইপুঙনে। খাবা লৈতংলাম মোইরাং সনকোন লায়ে। মৈতিংঙু শেলপী মু়রাম্বা চংপী মকৈরেল, কৈরেল মখুৎফা কৈকংলানে। হুয়েল লাম্নিবিদি খোংনাং ময়াং চেংমরাচা অখোবা কানপুঙনে। মৈতিংঙু শেলপী খাগেম্ব চংপী মকৈরেল, কৈরেল মখুৎফা থাম্লৈ চঙপী কৈকংলানে। হুয়েল লাম্নিকিদি খোংনাং ময়াং কানপুঙনে।

কপোক্লুংগী থুম্ভমথেল থেম্লেন নুরানয়াইবি, লুহোং থাওভা লৈরোং-শাং হুয়েন লানচিংববু ফানখ্রে। মোংবান সেলবা মিমাবনা য়াম্নো শানাবদা পোক্লাং মপুংস্থুন থেক্লমএ থোক্লাং পোপতেকপুভও কৌএ। মৈতিংঙু নিংথৌচে য়োইবেলবা লাইরেল অকন হায়িংচেংনা হাওথে শাম্লাম ফাম পুভনে। কপ্সোং থাওভা লৈনৌ পীচা মথানকয়ে। লুহোং থাপুও যুমোইচাম্বনা শাসং মরিন ফাংনা থম্মৌ য়াইসিন্নুং তোংচেং কুয়াইগুংগী কোক্লে লুহুবাখ্রে। মৈতিঙু পোইরৈ থুঙাওবনা লানপি সনসেন ঈ, তাক্লা লৈরোং ঈ, লিংখা চৈথোমঈ, ককলৌ তাওথোং ঈ, চেংলৈ লুরা ঈগা লাইজ ঈথেমথোং খোংচেল হৈমতোয়াখ্রে। মৈতিংঙু নাওখিংথোং মভাং কোনথুচা অভেংব ফাবগী, হাওক কৈরেল লমদাই বাখ্রে। লানপী সনসেন থোংভাক পরিং লান লমতেং লম-লাংলান, চভাও কৈলাম মকোই মুংলোনপাইও কৌবদি কদৌনোংগীনো কৌবা অঙাংভা নপারি থোইমাই থুম্নাবনা। কেগে মপান লম্বু কুম্লকপদ; মমুম মোইরাংনা মীকোনা কেগেনা বাহায়নবদি থোইযুম লাইবুদি নোং-লোনও কৌএ। নোংলোন অপক কানা পাইবা অসিবু কদৌবনো হায়না কোয়না য়েংলমএ, মকোই নোংলোন পাইও থোম্লেএ। কপ্সোং সাংখু সাংহ্মাওনা লাংবন উয়ুং শীংচনবা শীংগী ভংথায় লৌবদ; থাও সনসেনবা কপ্সোং সনভাকপনা পাওমেনখিএ। লাইজ ঈপাকথক্কো চাক্লৌ য়োইথম্বাল থম্বাল শীংলেল লৈম্নোং অনি থাইববু উরমএ হায়না তাক্লমএ। অঙ্ক নোংগীবু তাক্লা লৈরোংঈও তৌনা কৌএ। কপ্সোং সাংখু সাংহ্মাওনা পাথোও! বায়রা শাক্লাইরা হুয়েন লানয়াইপু কাক্লিগবরা থভদে হায়না থুমু মনৌলোভনা হোংনা হোংনা লাইজ ঈহু লাম্না তাম্লখিএ। অহুনোংগীবু লানপী সনসেন ঈও থোম্লেএ। কৈকম মমুংচভবু সংমা তাম্নখিএ অহুনোংগীবু কৈকম তোংসংলানিও তৌনা কৌএ।

চীংথোও পোইরৈতোম্না থোঙাক অসিথেল য়াইথোঙ চীংলাংথে

য়েলপঙ কাইপোকচীং পুংফাই তোনয়াম পোকপচীংবু পামা লৈরমএ হায়বগী, থোঙতাক পামংলানও থোইদ্রে। মমাইপা থোংনাং কাইবা য়াংনা থোম্লেল মঙচঙবব, পামা পোকহ্নবা হায়রবু, মুমা পোকএ। মুমা পোকবরা হায়বু পামা পোকএ। ইনম লম্মাবা কেংমতোন অসিনা করম থেংকোইবনো লমতেংও কৌএ। করম হৌবনো অহাম সোয়গ শোম্নে হায়দবরা। চীংথোঙ পোতংবোদ্রা মমাইবা থোংভাইপায়াংদি থোম্লেল মঙসোয় চীংনে। কম্বোং লাংলেল কোংয়ান রায়ানবগী সমু মথুংতোনবু ভমপল্লে; ময়ুম কম্বোংনা ঈবুদি হো ওকৌএ। হোনা মালেম লৈদা ভাঙচুম ভাঙনা তারমএ, হোভাঙও কৌএ। থোয়মা নারোম্বুংদা পানবা কৈস্নুং সিরমএ; কৈসিও থোইদ্রে।

মৈতিংঙু থোইনাই শেলহোঙবনা ভরেং শেলপুঙমস্নুং য়াল্লমএ, মকোই শেলয়ানও কৌএ। লুবাং কাংসঙসা লাইজ ঈয়োক কোমও কৌএ। লুবাং নিংথৌ পুন্সিবনা লাইজ ঈরানবদা, ভক্লৌ শীতংসোন হায়নালম সংলৈ নাথননা লাইজ ঈয়োক কোম্বু তৌনা য়োক্লমএ। ময়ুম নোংবান লুবাংনা লমসং-লৈনা থনববদি ভাংসঙসাও কৌএ। অহুনোংগীবু ভাংসঙ লৈনাথন লাইজ ঈয়োক কোমও তৌনা কৌএ। লাইসনা ভোচেংকোন নোংদা লাইরেল পাথঙবা চীনাই য়ানাইকোন, খুদৈ ফিহাই কম্লে।

লম্লেল হাওবসি শেল্লাংচীং য়ুচীং চম্নুনা. বাংলৈ য়ুসিনবাল্লও কৌবদি কদৌনোংগীনো? ময়ুম থাঙভা কম্বোংনা হৈরাং বাইচংহৌ বাইনৈ চংনবদা য়ুচীং চম্নুনা বাংলৈ য়ুসিনএ। থোইনৌ ইভা য়ুচীং চম্নুও! নঙনা বাংলৈ য়ুসিনবদি,' হাওতৈ য়ুতাইববু লৈবরা? থোয়ম্মৌ ইভা লাংচীং চম্নুও! বাংলৈ য়ুতাই থেঙপাবু লৈতে। ইভা নঙস্নুং শারেন শাতুম শারেল শাতাই থেংপবু লৈবরা হায়না পাওহংখিএ। থোরনৌ ইতাও নঙবু শারেল শাতাই থেংপবু লৈতে। নঙস্নুং বাংলৈ য়ুতাই থেংপবু লৈতে হায়বদি: থাঙভা ইভাইয়োয় কম্বোং ঈহিলোংবা

হাংলৈ য়ুনিবা শায়েল শানিবদা, চীংসা লমসানশে হায়খিএ। অহু-নোংগীবু য়ুচীংও তৌনা কৌএ। মপাম থাম্বা লয়া থাপ মহু বপোং লম্না ভাগ্বনিগীনা; য়োইময়াই ভাওদনবনা মতোং তেল্লবগীবু লেপ্পমএ। ময়ুম খাম্বনা তেংখানা মহু কম্বোংনা মীকৌনএ। অংকেঙ্কবুদি অলাংবও কৌএ। অহুনোংগীবু লাংচীংও লোম্নএ। লাংচীং খোনমারক্তি অসিস্নুং মালোমদে। অমু খুবাং লাংমৈরেম্বনা হোংনেমঙাইদা খাংজিং মখোক লাংগা, খোইনৌ মৱাংমৈগা হৈনা ময়াংমুগা কানানা হেনবনো হায়না তম্নববু হৈনা ময়াংমুনা সাংএ। খাংজিং মখোক লাংনা তাং-মা মৱাংলে। খোয়নৌ মলাংমৈনা তাং-মা মখোইএ। অহুনোংগীবু অমু খুবাং লাংমৈরেম্বা হোঙনেমচীং, খোয়নৌ লাংখোই চীংও তৌনা কৌএ।

ময়ুম খুয়োন লীকভকপী লীকভকপা কোংসিবী কোংসিবা মথকপী নমথকপা খিংক্রুক খিংনাংহন নাওরিখু নাওরিহন খয়োন পাথৌ পুথুহন হনবা কোকচাও হমু লৈখম্না; কৌবা অঙাঙাও! খয়োম্না হম্না ঙমদবু লৈএ। নঙ হান্না লাকও! য়াপংনা তেংনা ঙমদববু লৈএ। নঙ তেংনা লাকও! হায়না পাওথেম্লৈদা। কৌবা অঙাঙানা ঈরোয় হাওবও! কেগে ইপালম মোইরাং ইপু লম্ন কয়া চাওবনো য়েংলুও হায়না খোশীখিএ। হাওবসিও খোম্নএ।

খোইনাই য়ুমথংবগা, খোইনা খুত্তাবগা, য়ুকোকথোং মাইবম নাওরেমতোন অতোনবগা; নমু পোংবুম তরুক তিংনা কেগে মপাম লম্ন খুলগুম্নকপদা; লৌতাংখুপচামেনখাদা কোয়ৌ মুমিৎ নিনি ফাইরমএ। ফাইপু তেম্বা থাংতুপ পোকও কৌএ। খাঙয়ি পাংখাচাপ্বা মকোই পাওনিংসিংবা পায়মা লিনতাংসাংবনা নীংথলৈঙনে। মৈতিংঙু চীংখাং লাম্বাবা থেরে মুৱান য়াইনে। নোংয়ায় হাওবা খাবা তোমপোকপা খুমন অতোমচা লাংফান কনবা, তেকপী ওকপুম্নগী শায়েল শাথেক-মবু মদোম চাগে তৌগুম্বা; পায়মা লাংচঙথোম্ন মদোম চোংগে খোৱাংবা তারা চাকথোকমবু মদোম চাগে তৌগুম্বা; খাঙলেল হাই-

মরক্তা পাথং পাকতু ঈতাইওকপা ; থাঙলেল হাইমরক্তা, ময়া লুখোং শোংফারা, হাওবা খারা তোনপোকপা ফানখেম্মে। মৈতিংঙু পুজিবকা মোক্তবা কোঙা হাইরোংসু. শোয়ু মিংবু মিংনাইবা ফানখেম্মে। খেল্লেল নম্নানম্নায়নে। নোংবানলোন শিল্লেমবী নো চুপ লাল্লু মঙম্বী ; পেল্লেল ময়ানল্লায়নে। তরেৎ শেঙবুখেল শেঙা হাইহৈংখেল, তাইবঙ পুজি খেম্মে। মৈতিংঙু চীংখোঙ লমকাই ওম্বনা পানবা কৈকেংলাং ফান-খেম্মে। মৈতিংঙু শেনবী মুংয়াম্বনা কায়রৈ য়েনসেনখেম্মে। মৈতিংঙু পুজিবা মচা ফম্মোই মিংকুম ফাবা, ফালাংনৈ তো কাবনা পানবা ফা-খুঙ খেম্মে। মৈতিংঙু চী খোঙ লমকাইওম্বনা ককচীং খুংঙপুচ, খোবাল ম্যাকপম মংসা তাওবা ফানপুঙনে। মৈতিংঙু লোইনাই খোরাল থাবনা লোংচুপ মরোংমী কোকচা সিলহৈবা মীংচাসেম্বা হুইরোং তাওবা অহিং মুবা সন-ম্মা ফবা ; নোংখিন মুবা নাইমা ফংবা ফানখোংনে। মৈ-তিংঙু শেমবী কাপোম্বনা মোনশাং খুনপুঙ , কোল্লোয়বী কোল্লোয়বা ফানপুঙনে। তারি বাইপথম্বা, মমীন কোম্বোন লা ফাবীচা লম্বান কোরুবা সঙবায় নানিবা নাম্ত পোকতেববা থরুং পমথাংবাকী নোং-মম বায়নে। লোম্বা লাকপনা থাইবা পুঙনে। য়ারৌ চীনখুরাম্মে। চীংফৈলাম্মে। নোংখোরেল তুবী চরাইরোংবা খোইমোম লাইনিংখোংকু চুনবনে। অয়াঙ লমম্বেংপুঙ, সীংকাপ লানচাইপুঙ, পোইতিং লাম্বো-য়াং ফানপুঙনে। মদাইরেম থিংলাইচাম্বনা অয়াং লমথং থিনপুঙনে। নোংফো খুনঙমপুঙদি—কবো মুংকোই থনঙপুঙ ময়াংবচীংম্বোং ফানপুঙনে। মৈতিংঙু পোইরৈ খুনজাওবনা অয়াং লমচোংপুঙ, সোঙসুক খুনঙমপুঙ থমুকুম ফানপুঙনে। মদাইরেম লোইমুম ইমশানাওনা অয়াং লমথং-থিনপুঙদি সোঙসুক খুনঙমপুঙ মঙত্রা ফানপুঙনে। মদাইরেম লোমুং খোমরিয়াংনা অয়াং লমথং থিনপুঙদি, কিয়াং খুনঙমপুঙ, মায়তেমবা ফানপুঙনে। লাইরেল মৈতিংঙু মঙাংঙমবী খোঙহামপাংমে। মৈ-তিংঙু কাইনৌ চালাম্বনা চিক থনঙমপুঙ, আবেং গুথুমকাঙবু ফান-

পুঙনে। মৈতিংঙু চীংখোঙ লমকাই ওয়না কাইনা থুনঙমপুঙ, চীংমিকপা নোংঙ্গৌবা কানপুঙনে। মৈতিংঙু শেলবী মুংয়াম্বনা অয়াং লমচোংপুঙ; মুঙভেক থুনঙমপুঙ খৌকাইপুঙ নোংঙ্গৌবা কানপুঙনে। মৈতিংঙুচা মুংখৌনবা থুংরায় থুনঙমপুঙ, থাঙজবা ভোনথাইবা কানপুঙনে। মৈতিংঙুচা খোঙজোম্বা মবিং থুনঙমপুঙ থাংনপ কানপুঙনে। মৈতিংঙু লোইনাই থবানথাবনা অয়াং লাম্বচা থিংলাই ভোনকোনথৈ অসৈবা লৌসিং নোংদম খোংবা, থাংমি উথুম থুম্বৌচা কানপুঙনে। মাংলৌ লমদাংসাংনে। মৈতিংঙু কাইনৌ চালাম্বনা, খোংনাং ময়াং মাজ কুলকুবাক কনবা কানলয়ে। নোংবাম্লোন লিনখোইঙম্বীনা পানবা কৈজেংগাং কানপুংনে। মৈতিংঙু কাপোম্বনা ছয়েল লিনচিকপু লিলংভেংবু কানপুঙনে। মৈতিংঙু কাইনৌ ইরেংবনা মায়ৌ শঙাই তানথৈদা, পুঙভায়কয়ে। লৈচোন খোমহুকপী চামন নাম্বাকপী থাবী ভেংমায় খিনবা পুঙগেল মথুংকানে। তাওরোম পুঙলেলগী অশৈ পনমাবা পুঙলেল মথুংস্নুনে। খোমমৌ লৈকংলা মারেম্মী লৈকোইখেলও কৌবদি কদৌনোংগীনে? হাওরৈ লাইনা পাংবলমগী হাওকপ চীংলেন লাই থুলকম ভাংচেংলাই, খোঙঙাক পামংলাই, লমকেল সোয়কপলাই, তাক্লেন নোংথিগ লাইন: হাওরৈ থানা পাংবলমদা কুমথরবএ। হাওরৈ থানা পাংবলমগী, চীংপাকুপালাই মায়ৌ তৈতু লাইনা, লৈশিকুমাং লাইনা হাওরৈ লাইনা পাংবলম কায়কএ। খোপমমৌ লৈকংলা মা.রম্মী লৈকোই খেলও খোমৈএ।

কমবোং আলাই তাংথুলমু·বা .চপচেপ লোইয়োইবনা পাখৌ কম্বোং সোমসেনবও! ইবিংঙানা সোয়রেল থমাম্নদি, কায়া চঙবনো হায়না পাওহংববু; খোপমাতাং চঙএ হায়না পাওথুমথিএ। অঙ্কুনোংগীবু খোপমা লৌও কৌএ। মৈতিংঙু শেলবী থাগেম্বা সায়বা পম্লিংবায়; ছয়েল লাম্নিগীদি খোংনাং কৈরুংবা ময়াং লানচিংবা মাইকাভাও অখৌবা চোইনৌ সনা মিয়েংশেল ভোম্ন', লাংমৈ লাংজাও ভরুক খেংপা কান পয়ে। সায়বা পলেলয়ায়, নোংবাম্লোন লিনখোইঙম্বী থাম্নে

লোইরবগীদমক। হুইরেন্দীগী মুক্তবরা খোকোম শুকফা কাপ লৈনে। মেংথ যালোম লিমখোইজম্বী চজী কৈকলানে। হুইরেল লাম্নিদি লংমূখাম্ব থোনবা কানলক্রে। লোংবালেম্দ লিনখোইজম্বীমা চাক্লো লাচেন পুজনে।

য়াংলো মদাইমখি—পুলি অয়াংস্বুনা ভিমেন তায়াই পুজমেং অজোবা লেলপা নাহা খাসায় খাদেক সাধন। য়ারো লমথাকর্নীবী পাক্রোক সন্নাইচাহ্‌ য়াংলো লমকইছনা মোংকাম্ব পুজনে। হেমপাই চাপা মৃচিংএ, ভাকবচান্না ফুংখিলত্র, হেমপমং ভংহবনুজনে। মৈতিংগু লোইনাই খোরামখাবনা য়ার্গো শায়াম কামপুজমে। হুরেল লামিদি মোংয়ার খোয়নৃত্ত লোখাংচা কানপুজনে। কংথোবা পাংকায় লীকসম্বচা ইয়াম থাবনা লৌখাই লৌখাংচা কানপুজনে। লংমাইরেখা লুককাক বাচেমলুচা ইবানথাবমা থীংপাই অমার্কচাম্বা কানপুজনে। খম্লাং আ-লেংচনবা মপালোম খেংঞাকুচা ইবামখাবনা তোমবা রেপাশমচাম্বা কানপুজমে। খম্লাং অশেংখুবা মপানলৌন খুমিংজুবচা ইবামথাবনা কাইরে লোকচোকুচা কানপুজনে। মৈতিংগু রেমতো ইবানথাবনা য়ার্গো চৌ-পাকপা কানপুজনে। মথুং থাংতা কথোংজা, থাংতা উপুলি তেরা কাং-লাংমেনা অয়ুক চামেলাংমা থাংতা লামলৈজবু লানচেনে। কথোং মৈলেজবু মৈচেন বাসী; শীচঙ লৈভোয়চম্না কোয়ো মোংলোম পাই-খিএ। পামেল উখুমংগী তুবী অজনবা, লাইবেন অরেম্বা; হোইদৌ হুয়া লাওরমত্র। অজানাংগীবু হোইতা লাওবীও ভোমা কোভ্রা

লয়েল কৈস্তাক্লেন তাক্লেল ঈষাংখা তারেল মোংখিলবায়ি, বাং-খোনবী শাকংলমজ কৌবদি কদৌলৌ গীনে? লুবাং খাপুজ য়ুমৌছি-চাম্বা কোক্লেল লুতপ খৌবা, খাপুজ চেমসিন য়াংবনা শাসজ মক্লিল কাংন কোক্লেল লুইয়কপদা কোংয়াং বাচীনচাঙ লোক্লো লোমী কাং অকাংবনা পলজমত্রা থুয়া লৌকম খেলা মোংমজে। লোংখান মপাচা খুমাং মহেম্লুমা শিবম্বুং শিখজবিত্রা। লোইবী চাংকারেল কাক্লেল খু-কামুনা কোথৌ "নোংলোম" পাইমা থাংটি মীতমশেংবা শয়েল ছিংচোং

শাখনা কোৎনৌ নোংখিন পোবোম্, বাংনা পাইনা ভাল্লমএ। বাংথোনবী শাকংলম, লয়েল কেন্তাক্লেল তাক্লেন ঈবংখা তাক্লেল নোংথিন ঈও থোয়েএ।' অঙুম্বং মদোমদে—তাঁক্লেল থেনমক্তা, কেগে ভরা লোক-ফুমুমা পাওযেখিত্রে। মৈতিংঙু চাথা খোঙজোম্বও! তাক্লেল লম্মথাদি লীচজ ঈগা থেমও। তাক্লেল লমথাক্তি, লম্বান কৌক্‌কমা হৈথোও! খুল্লাও খুৎপুন্দবা, য়েল্লীও মসা তেঙ্কববু য়াকায়কডেনে। লেয়্লে মমিং ফুলডবা, বানচেং সৌর'ই কন্দববু, চাম্লৌ লুকপানথক্তা বাইথুংলঙেনে হায়না' তাল্লমএ। অঙুমোংগীবু তাক্লেলও থোয়েএ।'

য়াংলৌ' মদাইমদি—ইবু মৈতিংঙু' পুন্সিবনা তাক্লেল হিথাপুঙনে লোংনাং মথাং লাইরকৌই সিলহেবা কানপুঙনে। মৈতিংঙু থুমোম্বনা থাঙজা খুৎঙমলৌ ফুঙতেকপী ফুৎথংবা থাগোম স্বরূপাম্বা কানপুঙনে। লৈসিং উরাংলান থোংতেক থোংচাও লানও কৌবদি বদোনোংগনো? খোইযুম লাইরিংথৌ মুবা নিংথৌ অতোনবা মপারি, লায়োন থনৌ-সিববু থৱুং লাংঙনঙৈ সবা লাংকেনঙৈ, পদৈম মমী লাইতোংথু মঙ-ফুবীনা, থৱুং চংবায়দনী থুংচেং হুংচি লাক্লা থৌথামলকএ। লায়োন খুনৌসিববু থামি লৈরোনচন য়ামচে কৈকুপ সীয়্ববু লৈনা হুন-বায়বক্লথজা, খোইমোম লাই অবাংববু উমএ। অঙুনোংগীবু উলানও কৌএ। লায়োন খুনৌসিবনা মৈমু তুংচম্না হুনবায়বা লম,' লৈসি উলান থোংতেক থোংচাও লামনে। লাইরেল শৈজবী থাগোম্বা সায়থা পাল্লিযায়নে। মৈতিংঙু কাপোম্বা তাক্লেল হিথাথোং থোংমাং নানপা কানথোংনে। থোংলেল গেমতৌ যায়নে।

য়াংলৌ মদাইমদি—মৈতিংঙু লোইনাই থৌরানিথাবমা কাদাং থুনঙ-মপুঙ, ছায়েল লাম্লিগীদি—থোংতেকপা ফুয়ামথা কাদাং কৌওই মাতথা কনিপুঙনে। মুকাসাম নোংইন কাবা চমুনা; থুমপু মৈতং চঙু, ম্নাইরেল সৌবোন ভানবী; বাংলৈ যুনা চীংতেংমবী, কানপুঙনে। থোভাংঙু লোইনা ইথুয়োম্বা মদাইরেম, থীংপাই পুনেম শাফলবু;

নোংয়াই হাওচা লালপাম্বা ইংলেল লৌপাম্বা খোংচা পুঙপাম্বা হৈরাং খোংপাম্বনা; মশা মাহাক ত্তোয়না য়াল্লে। সায়ানও কৌএ। হয়েং কৌবা নোংগা সোয়বদা মমোয়া ইস্তানখিববু মাছু ত্তোন্দি, খাংরি খীকখোংবা শারেল য়াইনম্বনা কোইবা ফমে। লম্নেল পনমৈখানে। মৈতিংঙু শেলবী খাগেম্বনা খোংনাং মনিম্নাইবা ময়াং ত'নাতাবা লাংমৈ পুঙলেম্ববু লুতুরম্নুনো হায়না; কুয়াও পনকা লিং, হেম্বা লাংখোং ত্তৌ, সেকচুপ পস্তাই মৈনা তাওখত্ত পম্নে। ৎখেল পুনপন সানোংবা ফান পম্নে।

লম্নেল মদাইমদি—মৈতিংঙু লোইনাই খৌরানখাবনা কাদাং খাও-চাওবী খাচাৎবা ফানপম্নে। অয়াং তে'রেপফম্নে। মৈতিংঙু কিয়াম্বনা তোনলোং খুনঙম পুঙনে। মৈতিংঙু চৌংখোঙ লমকাইঙম্বা কাইনা খুনঙ-মপুঙ, স্নমখোংবা ফানপুঙনে। মছু য়োইবচেং অখৌবনা কংলৌ নাখেৎপুঙনে।

য়াংলৌ মদাইমদি—মৈতিংঙু লোইনাই খৌরানখাবনা পানবা শায়াং খেক্লপুঙনে। বাঙম্নোন ৎখেলচাইবী, খাকি বৈখেল খানবীনা চাওফাম্নমলোং ফানপুঙনে। য়াংলৌ মদাইমদি—নোংবানলোন লুচাও-বীনা খারি খুনঙপুঙনে সমচাই ফানপুঙনে। অমু ৎবাংবনা কানা লানশীং পুঙনে। মৈতিংঙু শেলবী কিয়াম্বনা লৈসন খুনঙম পুঙ; হুয়েল লাম্নিগী দি চৌংতাই খাফিং মচেন ফমহিৎ মনাফখাবাংবা ফানপুঙনে। অঙৌবা লমবুন হিখাপুঙ. পোংনাং ময়াং কারুবা ফানপুঙনে।

লম্নেল মদাইমদি—বারৌপাম্বনা শারেল শায়াম তাম্নপুঙনে। সোঙস্নক খুনঙমপুঙ. সায়িমখঙ ফানপুঙনে। পুঙলেল মদাইমদি—মৈতিংঙু পোইরি খুযোম্বনা য়োকু খুনঙমপুঙ, নাৎতুবা ফানপুঙনে। মৈতিংঙু লোইনাই খৌরানখাবনা লময়াম ওকয়াম ফানলৌনে। য়োয়বু খোইমোম লাইরেম্মা নোংসিৎ লৈমা কোংয়াম্বী মালং হুমলেল লৈমা; য়াইবী লৈমা কাংনৌ তন্না খৌখামফম্নে। খম্লাংবা য়াংলৌ খনবা মস্নু-মাঙ, অসৈ চামা য়োইরেল চামনা তন্না চাক্লিফম লাইজ ঈনিফম্নে।

খোঙাইরে খুনহাং লৈহোং খুলচাও লৈচাও মিনকয়ে। পাওসা মুয়েককন খোঙসীং পাল্লাংফয়ে। য়াংলৌ নাহা সনসেনবাবু লুরাম্বংনে। কম্বোং লেংবা মথুনে। উজংশাক খেংসায়রে। তাখাপাং খোংজিং পয়ে। খাম্নাং ফাজবংখোং কম্বোং আয়াই তাংখুমুংবা লোমসেন থায়নে। লোংবা লাইরেল পাখংবা পুমিংনপু, লাইসনা মবেল মিংবু মিংনাই-পুঙনে। মৈতিংঙু লোইনাই খোঙানথাবনা ললহাং খুনঙপুঙ, য়েনহাইবী য়েলহাইবা ফানপুঙনে। মৈতিংঙু লোইনাই খবানথাবনা, চোইনৌ সনা মুকাই লোকপুঙনে। মৈতিংঙু পুন্সিবনা কম্বোং খোয়ায়ুমচিন লোক-পুঙনে। খুমোমবা চমু থাওয়োন হাওকৈ লাম্বাবীনা লুহোঙপুঙনে। মৈতিংঙু পুনসিবা সনথিকয়ে। সরি খোংনে। মৈতিংঙু নাওথিং-খোংনা কম্বোং হেমখু হেমলাই লুহোঙপুঙনে। খোঙয়িবা চারা নোংদম হুল্লকপবু লোকপুঙনে। মৈতিঙু চৈকন থেকপা মুয়াম ফাবনা কেগে য়োইরাং হুম্বেল লানম্নাম হানপুঙনে।

য়াংলৌ মদাইমদি—নোংবানলোন লিম্বোইঙম্বীনা চোইনৌ সনা মুকাই লোকপুঙনে। মৈতিংঙু পুন্সিবনা নোংচুপময়েং থেমথপুঙ, ঈবাং খোইবা চিন্নেকরা সরামেল শাচা কনবা ফানপুঙনে। নোংবানলোন নোংচুপ কাল্লুম ওম্বীনা; পানবা কৈজেংলাং ফানপুঙনে। সনা-লেম্বী নোইখংলম য়াংলোঙম্বী নোইখংলম লেমৈ ওামিংনবা ওায়োইরাং ফানলয়ে। মৈতিংঙু শেলবী কিয়াম্বা ওাইখোং খনওমনম; সনয়িক মোইরেংসিম্বী চীংলোয় মচন কাপুংখোম্বী ফানলয়ে। লাইরুঙম্বীনা পানবা কৈজেংলাং ফানপুঙনে। য়াংলৌ লমদাংসাংনে। মৈতিংঙু নাওফোঙবা মদাইয়েম, অসৈ থাংকোকপনা; পানম লাইয়িনফয়ে। থাংকোকপা শেল্লুয়ান, ইলখাম্বা তালৈয়াম, য়ুপাতোংসোইয়ান পানম থাকোইয়ারে। মোইমোম লাইরেম্মা কুমিং নিংথৌ চমু, সনা লো-ক্লাংলৈবা মাইকৈদা; লোকয়াম পানকৌলৈ, সিম্নৌ লৈকাপোকপু ফিরাং হাইশিংননা হুল্লানফয়ে। মৈতিংঙু শেলবী থাকোকনা তোম্বা-

খারেক ফানপ্ুঙনে। লোইনাই খৌরানখাবনা পাসি খুনঙমপ্ুঙ, খোং-লৈমা খোংনিংখৌ ফানপ্ুঙনে।

য়াংলৌ মদাইমদি—মৈদিংঙু কিয়াম্বা ভেখাও খুনঙমপ্ুঙ, চিরিক ফানপ্ুঙনে। মৈতিংঙু শেলবী কাপোম্বা ভখেল খুনঙমপ্ুঙ, আমর মানিক ফানপ্ুঙনে। নোংবানলোন হাওচোংঙম্বীনা, হাওচোংলৈমা কাইরেলথানবী মপারি শারেল কৈমিংনবা ওমপা লাম্বোয়াং ফানপ্ুঙনে। মৈতিংঙু চৈকনথেকপা মুয়ামফাবনা য়াংলৌ হিথাপুঙনে। কম্বোং পম্না কোৎসিনহৈবনা, হাওখোংসুওইনবা ফানপুঙনে। মৈতিংঙু কাপোম্বনা কাইরম খনঙমপুঙ, য়েকচম পুরৈরোম্ববু ফানপুঙনে। নোংবানলোন লিনখোইঙম্বীনা, য়াংলা লংখোংপুঙনে। আলাই লাংথাকপা লৌনে। নোংবানলোন সনা লেম্বীনা লৈমা সংকন মফেৎলোইকা চৈরৈ লোন-থিংপুঙনে।

খম্লাং মোকাইসিও কৌবদি কদৌনোংগীনো? কেগে মোইরাং খোরমা লাংমৈলেম্বনা, বাংকোন লাংমৈ থাংগে, মোংবা য়ুমলেপ্পগে কংলা সঙলেপ ভমগে ল্যাক্লবদা; মৈতিংঙু লোইনাই খৌরানথাবা মদাইরেম, মমোম ভোংচেং খৌরান কাবীচা; খম্লাং মোইচাঙম্বনা হুয়েন লানতাল্লকপবু, লীকোন মোইকোই তোপ্পবু খম্লাং মোইকাইও ভৌনা কৌএ। খোংলেল য়াইখুয়াই মৈতিংঙু লোইনাই খৌরানথাবা পাসি খুনঙমপ্ুঙ, হুয়েন লাম্লিগীদি পাসি চুকোক লোয়াবা, খেমরোং মাই-রোং ফানপ্ুঙনে। য়াংলৌ লম্মখৈ কংলৈ লৌচীনপান, অঙৌবা সনা নাম্ভকাংবাচমু কোনলোই মখূৎতোপ্পা ভেকপী ওকথেক পুঙনে। চৈ-বৈলোন পাংগঙম্বীনা খোঙনাং ময়াং পাংকা ফানপুঙনে। নোংবান-লোন লিম্বোইঙম্বীনা চোইনৌ সনা শেল ভেংকোং অপানবা লোক্ল-পুঙনে। নোংবানলোন লুচাওবীনা ভওং লংজৈ লোক্লপুঙনে। আরাই লাংথাকলৌনে। কম্বোং নারন লৌনে। ফিতুপ ফিভাইমু চকমোম ভেমথাংলোনবী লোইদাম থাবু কাবীনা, লমপুনবায়বা লাইনা খোইমোম

লাইকারকপবু, সঙতিং মৈতৈ তেম্না থোইমোম লাইহাংকে; লেম্নৈ থুম্বিংপা থোক্তা য়াইথুবা থোংলেল য়ায়নে। লৈমা সংকোম্নুং লৌথীবী বাংথৈ ওকথি য়ামথিংকোন নিংডোনবীদি, নোংমনথোং, লৈমা য়াংহম্নুদি হনবায়থোং; থোংলেল হেমতৌয়ায়নে। মাথি লৌথোঙপাক থোংপাক ম্নুরাবী লাংলেন কোংয়াংবাপুরম; পাথং হুইয়াই চীংকালয়ে।

য়াংলৌ মথলমদি—মৈতিংঙু লোইনাই থৌবানথাবনা, কোম্বে লায়রবা সনতং চারোইবা ফানলম্নে। থোংনাং কোপারাইবা লাংগোই শাচেম্নয়ে। নোংচুপ বাংকোল মাননে। মৈতিংঙু তাপুংবনা অয়োন মনাও লৌথিবী কৈকামুং, মুঙম্নকপা ফানপুঙনে। লেম্নৈ অথাই সোথাইচা সোয়নে। লেম্নৈ ঙাচঙ তাল্লবদি, চীংদা কান্না থাংমুনসোয়; তমদা তানা ঈমুনসোয়নে।

য়াংলৌ মদাইমদি—লম্বান থোইরোংপান, লৈমোন চাকোইপান কৌবদি কদোনোংগীনো? য়াইফুয়োন তিমেনবা চম্নুনা; লুবাং কাংবা নহা মুঙসনতাববু; হাইনিংঙাইবা লৈম্নুং চীনকোই য়াম্না পল্লমদে হায়না সোম্না সোম্না পল্লমএ। য়াংলৌ লৌচীনপানও থোম্নৈএ। থোংলেল লৌসিচাক অসিবু, থংলেল লুবাং নাহাগী নমদা হাংদবু করম মানবনো? হায়না নম্না নম্না চেনথিএ। নম্বোনও থোম্নৈএ। য়াইফুয়োন তিমেনবা চম্নুনা মথংলেলবু ইস্তাল্লকপদা; লম্লেল মাদাইমা অসিবু করম কোইবনো সোনলমএ। অহুনোংগীবু চাকোইও কৌএ। চাকথা মানথাচা লানচু মীনামুং লেরা মীরাংচানা লম্বান থোইথিরমএ। থোইচু লৈমোনপান পিতিংকোই লানবীচা নিংথৌ সাপাইবা উম্নিং কোম্নে। উকোইরেল শাফাবা উমাইকোন নীংথিবা উয়োকোম্নে। মৈতিংঙু লোইনাই থুমোম্বা হাওকপ শাতান কৈরান লম্নে। মৈতিংঙু নাওখিংথোং থাম্লে লৌরাংচালনে। নমতু লৌরেলবা পালৈথুবী উসোংফাবী লৌকুমলম; পুঙপুরেনবী উরেংফাবী লৌতাবায়, য়োইহৈ হৈয়োইনাই. নোংখানলোন সরিমোম্বী সংথুবী লমতু লৌহোংবী, থিনাং

লনকোনচাম্বগী মপনলোন ছুরা হোংখু নাঙ্গিনা, কোম্প্রেক হুংখাংনা ইন্নম নমপোকসন থিংলৌ চিরিপোম ভাইথোমা; কোমাং চুথরেন মুং ভোকলৌ শা ঈইভনা থাংজা কম্মোং লৈরেনবা মুচেকশাকপা লৈরাং খোকলোই থেংনা থাইল লৌতারায়নে। হুয়েন লাম্নিগীদি লাংখাকমংয়াং ফানলৌনে। অমত্তু লৌরেল পায়ম। অমেক ফেনংমাতোরেল তোরেল তোকফম লাইনাখুংনে। অদোবা কহোংফাবা লেকপা লোইতানপুঙ, থোংঙাইরাবা চেংমিংনাইবা ফানপুঙনে। মৈতিংঙু লোইনাই খৌরানখাবনা চেক্লা খোঙরাংবা উমু লাইথাংবা ফানপুঙনে। লাইরেন শেনবী খাগেম্বা কৈরেল মথুংক্লা; মংগন খুনঙম কয় শামি ফানকৈনে। মৈতিংঙু তেলহৈবা হিয়ং হিরৈ লোঙপুঙনে।

পুঙচি নাতৈমদি—থাংবায় নিংখৌ মুংয়াম্বনা চাবায় লোংথোনবী লোংখোনবগা মারেম নিংথৌতাম; নারোং খুম্নানবগা ফানপুঙনে। অমেক মদাইমদি—মৈতিংঙু পুন্সিবনা হুযেন মোইরাং ফানপুঙনে। মৈতিংঙু নোংইনফাবনা সমপুম খুলঙমপুঙ, চাখা নোংমিনবরু ফানপুঙনে। চীংখোঙ সুম্বা কেকরুপান; মৈতিংঙু পুন্সিবা কদাং তাংকুংলম, মৈতিংঙু উরা কৌম্হৌবা চীংসোং লুখোই পুঙনে। নোংবানমোন লিম্হোইঙম্বীনা থাক্প লৈমা মোনতুম লৌবী, হেমখু লৈমা কুরা থাবী, ফানপুঙনে। মৈকন থেকপা মুয়াম ফাবা সায়বা পনমেন য়ায়নে। পম্নিগীদি লাংহৈ পামে। খোংনিগীদি কাংহৈ খোয়নে।

মৈতিংঙু শেলবী কিয়াম্বনা চীংসোং খুলঙমলম, হুয়েন লাম্নিগীদি তাওবা কৌবা হুইমিংনবা, চীংসোং মরৈমারী হাওম্ব তাঙক সমকরী ফানপুঙনে। কৌবা অমেল লমদাংযাংনে। বাঙমোন খেনতে চাইবী থাকি কৈথেল থানবীনা মুম্ব খুলঙমপুঙনে। কৌবা মদাইমদি—মৈতিংঙু ঈরোং লাম্হ্যবা লাইরেন তেমোং থেকপা বাকাএদবনা চীংসোং খুলঙমপুঙ, মৈতিংঙু থাঙবী লাম্বাবনা. পানবা কৈকেংলাং ফানপুঙনে। হাওম্ব মায়ি থুম্বী ফানপুঙনে। অতৌবা নোংনিংলৌবা অমেল

থুনঙমপুঙ, শানোংবা ফানপুঙনে। মৈতিংঙু নাওথিখোংনা লাইজ ঈথেম খোংনে। মৈতিংঙু পুন্সিবনা মারেং খুলঙম পুঙনে। লেৱৈ ঙালোই খোংনে। মৈতিংঙু শেলবী থাগেম্বনা মরিং খুলঙমপুঙ, মরিং মোইখোম খুল্লাকপা আপিশ ফানপুঙনে। লৈচোল্লাকপা ভোলোং-খোম্বা পুঙলেল মথুংফা লয়েল খুলঙমপুঙফাবদি পাসোংখাবা শেলপা নমথাংচা ফানপুঙনে। পোঙসি পুপ্রনবনা নোংফু খুলঙমপুঙ, থাঙসা মোইকাই ফানপুঙনে। হাওবৈমা তমহৈবী কৈরাংচালনে। মৈতিংঙু লোইনাই খৌবানথাবনা লেৱৈ ঙাখাখোংনে। লয়েল কৌরোংপাংনে। থাঙতা নোংবানলোল পাংকাঙম্বী য়াঙম্ব খুলঙপুঙনে। মৈতিংঙু কা-পোম্বনা পল্লু খুলঙপুঙ, চাওখোং ফানপুঙনে। নোংবানলোন পল্লু ঙম্বীনা লাংচন খুলঙমপুঙ, চৌকা লানথোয়াং ফানপুঙনে। খুরাই-লাকপা ফিইন থানবনা ময়াং পোংখোংপুঙনে। হুয়েল লাম্নিগীদি লাংতৌ ফানপুঙনে। মৈতিংঙু থাংবী লাম্বাবা থাঙবায় খুলঙমপুঙ মাখিবা ফেলাংবা ফানপুঙনে। সায়বা পল্লেলয়ায়নে।

কৌবা মদাইমদি—মৈতিংঙু নাওথিংখোংনা অয়াং লৈয়েফমে। মাদাইরেম লাংকম্বনা অয়াং লমথং থিন্নপুঙনে। মৈতিংঙু নাওথিংখোংনা কেগে য়াইবা ফানৌচাম্বা মশানৌ করাংখাঙ সময়াঙ ফানপুঙনে। পাং-নিগীদি লাইরেল নাওথিংখোংগী খোঙহামপাংনে। মৈতিংঙু কাইনৌ-চালাম্বনা খোংনাং খুলঙমপুঙনে। মৈতিংঙু থাঙবায় নিংথৌ মুংয়াম্বনা, মারাম নিংথৌ ভোল্লোইপু ফানপুঙনে। মপারি মৈতিংঙু মচা ময়াম্বনা ময়াং নিংথৌ প্রতাপ নারন ফানপুঙনে। মৈতিংঙু কোংয়াম্বনা য়িংলেন লানচৈ পুঙনে। ময়াং মাইবা সম্লোয়বা থেংকুরাচা বাসক কনবা আফেরাচা থাঙয়ান কনবা, অরিং অকাংতাও লাক সুমফাতাও, ফানপুঙনে। মৈতিংঙু নাওফোঙবা মদাইরেম. অমাই থাঙকোকপনা পনম লাইয়িনফমে। খোঙাকপা সল্লুয়ান পনম লাইয়িনফমে। নোংবানলোন লিম্লোইঙম্বী, খারি খুনঙমপুঙ, মেল্লাংখা ফানপুঙনে।

মৈতিংগু শেলবী থাগেম্বনা মারাম খুলঙমপগু, কয়েং কানপগুনে। মৈতিংগু পোইরৈ খুমোম্বনা থৌরৈ বাকম্বোং চীংমু নোংগোবী কান্নপগুনে। লাইরেল শেনবী মুংয়াম্বনা থাংগান খুলঙমথেলনে।

কৌবা লৌচীংকোন চীংকোন কোল্লাংমৈ হৈনা য়াংমু থামও কৌবদি—লুবাং লোইনাই য়াওশা তানবনা, লাবা খুমনবু য়াংদৌ শারম লীবদা; তিমেন মখুৎমুব খোয়মা নায়োম্নদা ফেনচিনথববু; শেল্লোই মপাতাও চীংখোঙ কোইমানাওগী ফৈবা তানবু তুনা পাল্লে। ঈমু ফিয়াক সাববু লুবাং লোইনাই হৈনা ময়াংমুনা থামঙমএ। হৈনা য়াংমুথামও খোমৈএ। লুবাং লোইনাই য়াওশা তানবনা; পাথৌ চীংখোঙ কোইমনাও ও। য়ায়ৌ শা করম্বনো? তিমেন তা ফেনথিল্লে। চীংখোঙ মফৈতানবু করম তুনা পানবনো হায়না শারেল য়েৎনা কৌলমএ। কৌবা লৌ-চীংকোন চীংকোন কোল্লাংমৈও কৌএ। চীংখোং কোইমনাওনা নোং-বান অয়ুমনাক লুবাং ইসাইকোনবু “করম” হায়ু ইমা হায়রমএ। হায়ু কাবা থেলও কৌএ। কৌবা লুবাংচীং ঙাংচেং চীংপুল্লিনে। মৈতিংগু শেলবী কিয়াম্বনা লুবাং লাংমৈ লোক্লপুগনে। নয়ুম মৈতিংগু মুংয়াম্বনা থাংগান খুলঙমথেন, সরাপঙ মিংনাইবা কানথেলনে। শেলবী মুংয়াম্বা থেল্লেল মারানয়ায়নে। মারাম খুলঙমথেল, তাম্নারোং মিং-নাইবা কানথেল্লে। শেলবী মুংয়াম্বা থেল্লেন ময়ানয়ায়নে। মায়াম খুলঙমথেম, তম্মারোং মিংনাইবা কানথেলনে। মৈতিংগু উরা কোম্ঠৌ-বনা ঙাংচেং থেনকাবা হৈহৌ য়ুতংবদা; য়েইবু চাররতা য়োইহৈ খোংকাং লেংবীবু, শেলকোইখিএ। চৈরৈ লাকমাতোনবা মানলৌ য়ুংনা হৈবা, মহৌ লোইকা ফিবু কোরৌ নোংখিল পোবোম্নগু খোংলমএ। মৈতিংগু উরাকোম্ঠৌবা শিন্নৌ নমথেলও কৌএ।

মৈতিংগু লোইনাই থৌবানথাবনা বায়রা মতেনজানা লীরি থা-ম্মোই তিং লাকা তেনবৈ লাক, বায়রা শেংকম থোংনা বায়না তেন-বায়থাবদি; নেম্মা কাপ্পবদি নেমপসি; বাংরা কাপ্পবদি বাংবসি;

য়্যুদা হেন্নবদি পোনবী চীংজরোই অমুবদ্ধ লোংবাং, য়াতোনথক্কী কাপথেলনে। পোনবী চীংজরোই কাপথখেলনে। মৈতিংঙু শেলবী কিয়াম্বনা খোংন্যাং সুকমচেং, হৈমচেংবা, কাখাই, অদুবা কানুপেন্দনে। মৈতিংঙু শেলবী মুংয়াম্বনা ললহাং খুদুপথেন, অমন্ড লানমিং নাইদবা ফোপ্পাবো ললহাং সাওনবা যানখেলনে। মৈতিংঙু সনা হিহেকন-হনবা তুবী তোংতোক্ন লাম্বাবা লাইরেল্ল শেলবী থাগেম্বনা ঙাংচেংগেন মথক্তা পুঙমা য়োম্লনএ। পুঙমথক্তা খেৎমাখিদ্রে। খেৎমথক্তা সঙ্মাস্নাইএ। সঙ-মখ্যাদা তম্রা লুকমাযলেম, হৈবাং মখেল হৈ তাওজিং মসুংমা তংলবদি য়াকুমথেন ঙাইরোং মসুংমা চীক্রবদি লৈসাগ্লেল। তনবা খুমাঙ কোকপদা কাওরেল লাইথেং কন্দবা, পজেং খোনমথক্তা খোনমা বাংপনা পাম্বৌ শেল-কোই থেলনে। তনবা খুমাঙ কোকপা কাওরেল লাইথেং কনবা পজেং খোনমথক্তা খোনমা খোইবা; ফিরান নামথক্তা নামহেনবা, খুবোম য়াইসি লোন্‌বা, খুৎদাং য়াইচাও খুবা, চাকথাঙ য়াকোতানবা লুপা খোঙক্রাই মতোল লোমবা, পানবা কৈশকপা কৈরেল থেংথাবসিংনা হেকথাই পাথং থেলনে।

মৈতিংঙু শেলবী থাগেম্বা বায়বা মরিখঙ, থাত্রি খুলঙমচিং চাঙফা হোংতাই ফানলী, লাইরেল বায়বা মতেনম্মা ক্যসার খুদুমতেন, হুয়েল লমসংপু কানতেন; মচীন ক্তোনজৌ হুইয়াই তোপকাবা চেংচা লয়েল তুন্না নাসাবা, সবাচীন খোইনিঙবা নপনবা; ভুহং লংলামনা পাকনবা, খোয়মা নাতোনথক্তা, লম্নদম নাইতেননা হাওবৈ নোংপোকলা পাংবরম কাপ্লবদি; থাংগান নিংথৌ ক্লাথিকপা কাপ্লথখেলনে। হাওবৈ নোংচুপলা পাংবরম কাপ্লবদি, খোংনাং তেকাবাচা কাপ্পাং খেলনে। লাইরেল শেলবী থাগেম্বা খেন্নেল হুয়ানয়াম্ব; মৈতিংঙু পুন্সিবনা চক্কে কিয়েন থেলনে।

মৈতিংঙু লোইনাই খৌবানবনা অংখুলু হুইম্মোক খুদুমথেন, শাহোম্ন কানখেলনে। অকোবা কিয়াম্বনা, কিরাক খুলচন থেলনে। সনমচেং সনমাঙ লোক্লখেলনে। মৈতিংঙু মোইরাম্বনা মক্কু খাপনা

লৈভাৱেং কাংবা লৈগী হুয়েল হাওভরাক কোরিরোং, লাঙ্গৈয়াংববু ফানথেলনে। থাঙভাবনা বাথাবায় ; য়েৌথানবনা বারিং বায়নে। কম্বোং বাথাংকোক বামিংনাইবনা বাকনবায়, লাংকপ মঙা ফাংবনা খোয়েল মঙদা ফাওবা বা, ঈরেং অনৌনহৎবা। থল্লাং তামৌ নারেংবা কোংয়াং মপা চানা লোক্লৌ পল্লোই থান্না য়োইচালবা ; কোংয়াং বাসামা য়াল্লবদি ; কাওরেল সনসাবা, লাংলে বাপুমমা য়াল্লবদি ; তয়ুম নাইচাবানে। ময়েক সনচিরিক, লীবোংনা, মতোন সনা লৈচেং হায়না পানবা বানে। কোংয়াং বাপুনসি, বারোন য়াম্নে। অবাং কৌবা তারেবা মনুং চীংকোনলৌ অচনবনে। কেগে মোইরাং চাওবা থাৈল্লে মথুৎকানে। কৌবা ঈরোংথোং নোংবান নাওথোংজাম্বা থোংহো-ঙবায়ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ? নোংবান নাওথোংজাম্বনা চকথাঙ নারেংথোং কোনঙৌ পনচনথোং কোরি পনচনথোংবু থোংহোঙবদা ; নোংবান মপাচানা চৎনগে চৎনহন্দে। লুবাং ময়েল্লুনা লাম্নগে লাম্নহন্দে। পোনবী লোক্লৌথোং লৈতাং পোনবী শেকুরেক অঙৌবনা থোংলেল পানবৈ নেৎনা য়াকানববু ; নোংবান মপাচানা হোইগে হোইহন্দে, লুবাং ময়েল্লুনা তানগে তানহন্দে। নোংবান মপাচানা পাওমেনথিএ। লুবাং নাওথোংজাম্বও ! নোংবান নপাচাবুদি করম চানবনো হায়না শোন-মোইথিএ। অহুনোংগীবু নোংবান নাওথোংজাম্বা চানকোনথোংও কৌএ।

ঈরোং লাস্তা ঈও কৌবদি—আসাইঙৈগী লুবাং লোইনাই য়াও-শাতানবনা য়ারৌ শাহুনথিঙৈ, চীংথোঙ কোইমনাওনা হুয়েল লাম্লাত-বঙম লাইজ ঈদা লোংনা তারে ; ঈরোং লাস্তা ঈও থোরৈএ। অসাইঙৈগী লুবাং লোইনাই য়াওশাতানবনা য়ারৌ শানাবদা ; শারেল মমৈ লোঙববু ফায়এ। চীংলেন মমৈস্তুং করম লোঙবনো হায়না সোল্লমএ। অহুনোংগীবু লয়েল কৌবা চীংমৈলোঙও কৌএ।

লয়েল মদাইমদি—খোংচারোংবা মপারি চীংজেং নারন পাজলবনা থৌহু মুঙপাক থক্তা শমু মথোঙগুনবু থনমএ। থোইয়ুম পাজলবা

খোগুনতানে। মৈত্তিংঙু শেলবী খাগেম্বনা খোংনাং খুলঙম খেলনে। তেকরাচা ফানখেলনে। মৈত্তিংঙু খুমোম্বনা তেখাও খুলঙমখেলনে। চিরি মুমানবা ফানখেলনে। নোংবানলোন লিচ্ছোইঙম্বীনা লেম্নৈ ঙাচা পুঙনে। মৈতৈ লৈমা খমমুরোন চীংয়াইম্নু, চীংয়াই অমু য়োইলেল পাম্বনা পোকপী: চীংজরোই খোংফেল খোঁব চম্নু মদাইরেম লৈতাং সোয়সেনবগা, য়িংলেল থুমস্নুংবগা য়েলবী শরোই হুনমম্না, অখোং লাংমৈ ওনম্না মতোন য়াবা চীংচীন চোনচোন লৈনা থাংমম্নসে হায়না; পোনবী চীম্নৌবা উরেন পেংসোয়বারমদা লেম্নৈ ঙাচাপুঙনে।

লম্নেল মাদাইমদি—লুবাং খাপুঙ য়ুমোইজাম্বা কোক্লেল লুছুপ খোঁবা, তেংনৈ ওনকং মায়রোইননা পাকসি চাঙৌচিনবা শরিক নিঙ-খাংনববু; থাঙয়ি অহোঙবীনা শেলোং নীক্লমএ। খাম্লৈ লম্নোংগেও কৌএ। লোইমোম ফৌওইবী কৌরৌ নোংগালৌ, চীংঙু পনতান লৌনে। খাপুঙ য়ুমোইজাম্বনা নেম্বী তংখায় লৌনে। য়োইচান-বানে। মৈত্তিংঙু নাওখিখোং খাম্লৈ লৌরাংচালনে। মদাইরেম হাওয়াং য়াংবাকোই মীথুনচা অতেংবা চারীক খোইতামন; লীক্লাং চোমফামনবু উফোঙ চাকসোয়গবরা চাকসোয়দা; থাংয়ি মরোং শাম-দবা, লোইমোম ফৌরীক কেন্দববু, থাংয়ি ফৌরোং সাম লোইমোম লীহৈ কেলএ হায়না বাতাথীখিএ। হাওয়াং য়াংবাকোইবু নোংমম্লে। মীথুনচা অতেংবদি, নোংহামলৌ তৌচেং নোংফাইয়ৈ, পুরৈ সিরাই তুনা ওক্লেল মহী সেকচুপকে সেকচুপফদে। লাইরেন মহী সেককে সেকয়াফদবা লৌনে। মৈত্তিংঙু নাওখিংখোং খাম্লৈ লম্নোংকৈনে। পাংয়ায় লৌরেলপা মঙাং কোনখুচা ফান লৌনে। মৈত্তিংঙু শেলবী খাগেম্বনা পাক্লোই সনলাই নম, হৈনা য়াংমু থাংনা পায়মা লেংহান্নবা খোক্লেন তাখোংননা নো য়াই হাওকু তাইরোংমনপু শাচেনবদা; অয়াং লমথাংপুঙ, ময়াং পোচেংখাবা ফানপুঙনে। মৈত্তিংঙু নাওখিংখোংনা হাওরোক লৌপানখোং পামেন উয়াইখোংগী হাওরোক সোয়সেনবা

হাওস্ত থমতাইহ্নচা চাংজৌ লৈথাদ্রবেন, লেরা খঙ্দোই তংলুবা থাংখৈ থোম্মি সকপা ফানপঙনে।

ফমেল মুদাইহ্রদি—ঈম্ব থংমলৌ নামসংকোন থংবা ঈখৈ লৌও কৌবদ্রি—মৈতিংঙ উমাকোঙ্গোবমা; লংমাই থিংকোং মাইবুং কুম্বানুঙ্গুং ওংচায় তৌ নীক্রোপ থোলাং অথোবব্ব লুরুক্ক কাংথেথি, থোন্নাও লোনথোঙ লেম্মে। ময়ুম শেলোয় লংমাইগী মহিনা থকুম থক্কা চেল্লে। অহনোংগীব লুরক ঈম্ব থংমালো নামসং কোনও কৌএ। শম্মু মথোং মথুংপু, কম্মু কাম্মা কাম্মা কারনু কাম্বুরে। খুরোয়মা তিম্না থম্মও থোঙএ। মুকুম মনাইব ন্যাতা শীংতা, ক্যারে নাকাও কৌএ। শেলোয় থিংলো মাইথাবা লংমাই মায়বোং চেনবনা থোয়মা ন্নাক্কা থক্কনা ঈতৈরুমএ। থংম্মা ঈতৈ লৌও থোমএ। লম্বচেং মৈরা মুংলবর মৈতিংঙনা ছোথোপ্প খনথাংনা ক্লাস পোনচেন হাম্মা মৈরা পোনচেন লুমও কৌএ। বাহ্মমলোন পানখোইবী মৈরা পোনচেন লম্মে। ঈম্ব থংমালৌ নামসংকোন থংমা ঈখৈলৌ মৈরা পোনচেন লমনে। হুয়েন বামিগীদি লেমৈ ভাগিংনাইবা শাবোং থোইমচা ফানপুঙনে। ন্নাক্কা ক্যারে থোকমৈ ব্যামে। তুরেল তুয়ারে নোংমোইন্ন অহোঙবী তুরা কৌরে।

লমেল মারাইমদি—কোনথা ফমলানও কৌবদি নোংবানক্লোন নোংচুপ মরোং চুম্বীগা, মমোম বাহ্মমোন কৌবা মরোং চম্বীগা, থোয়নৌ মতা আমাসরাংবচম নাহই নারোংবীগা, কোম্মা ঈরাংম্বা কমেল ঈচঙবা কোলোয় মথংতোম্ন মালেম্ম লৈদা তারুমএ। লাংগোই থামাই তোপ সিম্বুরুমএ। অহনোংগীব কোম্মা সুনফমও কৌএ। হনচৌংঙ কৌবদি কদোনোংগীনো? নোংবান খুমিংপা লম্বাং থানুম্বনা। লাংবন উমং শীংচম্ব পোংতানবদা থাক্কোন মথংমুব থোয়মা ন্না-কোমংদা থোকাওবম্বর: মানা হম্মা হম্মা থিরমএ। অহনোংগীব হন-চৌং কৌএ। হনচৌং থারে, মানচৌং থারে।

য়েম্বাম লমাংশি য়োকথোং কম্মজন য়োইবা মৈতৈমা খাক্তা য়োইবোনা ওইখোংজন্বী থেমেন, মুরানা যায়নে। হয়েন লাম্বিগী খোংনাং অথেম থাজমথনে। চমপুরাই ফানখেনে। থাংজা লোনে কম্বাং লোনে। হুইয়াই ঙোয়রাংতোঙনে। থিংলে মানলৌ কাবাশী পুরিং লেপ্পৌ থিংনা, উরারাক মায়কই যাম্বা মুকনবায়নে। মৈতিঙা নাওফজ্বা মদাইদুম্বা ম্যাই প্লাকোকপন্না পানম লাখুন্ন- ফমে। প্লাকোকপা মুনলুমান, লৈথাম অরৈ য়ান, য়ুপাতোংসোম্ব যাহ। মৈতিংগু উরাকোক্লোরা মদাইয়ম নোংবান, কাদেম সোয়- সেনবা মমোয় ফমে। তোংচেং খাম্বা পুঙনে। অখোং তংতুবী শী.টৈপখেনে।

লাম্ন খোম্বীতোক ক্লৌবদ্দি—ময়ুম শেন্মোই লংমাইনা কাদোম সোয়সেনবগু থিংলৌ পমচনটৈ, কাদেম সোয়সেনবনা হৌমৈ ওপ্পে টৈনা, পায়মা মনিমার থংহেম্বনা মিসিল্লএ। মুয়ুম শেন্মোইনা মী- কোনবদি অসিবদি তোকপও ক্লৌএ। কাদেম সোয়সেনবদি তোক্লে; হোরেন তেরকপদা লুবক কাংতৈ থিসে হায়না সমু মখুতোম্বা তোংনা তোংনা য়েংলুমএ। অমেন খোঙবীতোক উজামপেএ থোকলএ।

অমেন মদাইয়দি— মৈতিংঙ লোইনাই প্লোখ্নথাবনা তাংখল হইতোকওগী য়াংলৈ সমফবী সমফবা ফাবী; হুইয়াই লমতাই- বায়নে। মৈতিংঙ তেলহৈনা লৈচম থরুপুড. লেমৈ. তামিংনাইবা ঙারোইবাং ফানপঙনে। মৈতৈ লৈমা সিংজাইগী তুমোন থরুঙ- মপুক; লাংকাচকপা লাংকোমনবা তাংমৈকনবা ফানপঙনে। হুই- য়াই মদাইয়দি—নম মৈতিংঙ থাঙরায় নিংথৌ মংযানা হুরাং শাবানবা তনবা ফোথাবা ফানপঙনে। কেমে লৌথাংকা পুংগা খোঙাক হুকাপীচা লানকোন পুঙনে। কেমে চাতরেং হুমফহুম- খোইমপু নোংজামপঙনে।

লমেন মদাইমদি—সেপ্পালৌ কোনথাংজাও ও কৌবলি কদৌনোং-

গীনো ? মথংলেন থংবা নাহাদি য়াওরৈ লৈনা পাংখালম সাম্লেংএ। তাল্লোয় মরুপ্পী তোক্লামন কপ্নোং মায়নৌবী চম্নুদি হাওরৈ খানা পাংখালম সাম্লেংএ। মথংলেলগী কোনথাং মনাসিবু লাইজ ঈরোইননা তাওথরক্এ। মরুপ্পী খাইনমল্লা লোকঙমএ। মথংলেল চেংলৌ শকউনীংদববু করম শকথঙনসিবনো হায়না শমু তুংহল্লনা শেং হায়না পীরমএ। সেপালৌ কোনথা তাও ও কৌএ। মৈতিংঙু খোঙতেকচা লাইওই পুঙনে। মৈতিংঙু য়োইরেলবনা যোইমু সেংবরাচা চীংয়াই চাগল্হুইরোং সাবাং নাওকমচেক ফানপুঙনে। লোইমোম ফোওইবী খাঙবা মনমথাং খমনাং মরৌপয়ে। লাংচা লৌপুঙফৈ পুঙফৈ লমমুংশিও কৌবদি কদৌনোংগীনো ? খমুংখুবীগা থাংঙামুহনবীগা অমুক চামায় লাংনা খাল্লে মরৌলেলবু লাংজরমএ। লাংচা লৌপুঙফৈ পুঙফৈ লমুংশিও কৌএ। লাংচা লৌপুঙফৈ, কারোংখম হুয়াই লমলোকতাক খুলচান অয়াংহাওবচা লাংচা পুঙফৈ তোংবা ময়ুমফম্মে। ময়ুম শেল্লোই লংমাইগী খাঙলা খোমহুক লাবু তারমএ। লংমাই খোমহুকতা শেল্লোই খাঙলা পোক্লে।

মুখুবী হাওসললান, মুহনবী হাওকোন তা কৌবদি—খাঙঙা চম্নু মুখুবীগা, কপ্নোং চম্নু মুহনবীগনা ; খাল্লে লৌকুপ্পদা, কাওরেল মসনচানা কোবৌ নোংদামদা খবী নেংংলেপ্পনা লাম্লরমএ। সনলানও কৌএ। সনলান খোনমরক্তি—লুবাং কাংবা মুঙসনতানবগী কাওরেল মসনচা মানবী লীহেপ্পা কাওরেল কোনতৈবনা লানখিএ হায়বগী সনলান অচন লমও কৌএ। কোংলাই হোংলাইবা অয়াং লৈকয়ে। চীংখোং পুখিবা খোংহোঙবায়, মনোংয়ায় তুবী চয়াইরোংবা খোইমোম লাইমিংনবনা ; চোইনৌ সনা পাকুক্লা লুপা কাফেম্লনা হোংনেন খোংনে। শেলবী মুংয়াম্বনা আপুং লানমিংনাইদবা ফৌথাবা ললহাং সাওনবা ফানপুঙনে। মৈতিংঙু থাংবী লাম্বাবনা চাখা মরিং খুনঙমখোং ; মানতোপ থংসাবা থিংকিরি মুমানবা কানপুঙনে। সায়বা

পল্লেল য়ায়নে। খোইমোম লাইনিংথৌহনবা, সনা হিহোনবা মহু-মাঙনে। খাবী লেংনা ফাং, অশে ঈবানপোংপৈরেম ; য়োইক্লেল ঈয়াং পুঙকাইবনা লাইজ ঈনিফয়ে। তরা চাক্লিফয়ে। মৈতিংঙ্গু পেংসিবা চম্নু ঈয়োংলৈমা থাম্বীওম্বীগা, মদাইয়েম য়ায়য়ং সনা পোন-চেংসাবা বায়য়ৌফদবীগা খোইমোম লাইওই পুঙনে।

মৈতিংঙ্গু লোইনাই থৌবানথাবা পোইয়ৌ হিথাখোং লয়াং লমওক থোংনে। নোংয়াই হাওতরাইবা অতোন হাওতা কোইবা অয়োন লীক্লম্বা য়াইখিংকাওম্নু নীংতোন কোম্নুম্বু কায়নহুনবা ফানা খোংনে। তুয়েল তুয়ালানে। নোংমোইম্নু অহোঙবী তুসাকোন, লাইরেল ঙাং-ঙোই য়োই মোংবা তুদেংকোয়ে। মৈতিংঙ্গু নাওখিংখোং চীংপী কৈ-কংলা, কৈরেল মথুংফানে। হনবা কৈয়াকপা কৈসঙবায়, হম্নু কোন-তিংমুনা কৈঙাইবায় ; নিংথৌ কুয়াওবাচানা, লৈমা লৈখোংতেনবী মপারি, নিংথৌ মাকাবা শাংনবৈনে। তুয়েল তুয়া লায়ে। নোং-মোইম্নু অহোঙবী তুসাকোয়ে। ঙাংঙোই য়োইমোংবা তুদেংকোয়ে। অঙৌবা নোংনিংথৌনা, লনহাংমুয়াফাবী ফানলৌনে। মৈতিংঙ্গু তেন-হৈবনা য়োংফু খুলঙমপুঙ, অবোম ওম্বা মচন লমমিং মনাও থাবাংবা ফানপুঙনে। মনাও মুংসাইওম্বনা ললহাং খুলকং তরা তাবা পুঙপু চায়না লানশীং পুঙনে। হুইয়াই মুঙনিগীদি হিয়াংথাং মুঙনে। মৈ-তিংঙ্গু লোইনাই থৌবানথাবনা বায়য়া তেনথাপুঙনে।

মৈতিংঙ্গু শেলবী কিয়াম্বা তখেল খুলঙমখোং, আফেয়াচা ফান-খোংনে। সাইবা লল্লেনয়ায়নে। মৈতিংঙ্গু চয়াইয়োংবা হুইয়াই হি-কায়ম মায়াম খুলঙমপুঙ, শাকৈ ফানপুঙনে। হুইয়াই পুঙনিগীদি হুইয়াই থঙপুঙনে। হুইয়াই শঙনিগীদি হিয়াংথাং সংনে। তাকান পোঙসঙ খুলঙমসঙ হাওম্নু য়ুনৌবী য়ুনৌবা লীকন লৈয়া খেম্বী, মোই-চেং নাসিনবী, ফানসঙনে। মৈতিংঙ্গু নিংথৌখোম্বা কৈরেঙ্গ মাঙনে। কেগেং শেয়ৈ ঙাইবা তয়ামঙামা, মোইয়াং পাইয়ৈঙাইবা তয়াংঙামবু

-খোমজিনপুঙনে। চেগাই মকাৱাবা অকাও চমতোন খৈবনা, মপন পম্মৌ নিংথৌগী লৈকাই পূজলুক, লাংবন অবোন লুক চেঙপুম মনাও, তোনগুম্ববু ললশিংপুঙনে। হুয়েল লাম্নিগীদি চৌংসোং নিংথৌ লিলতুম লিলতাম্বা কানপুঙনে। হুইয়াই লমদাংসাংনে। মৈতিংঙু কাইনৌ ইয়েংবনা য়ারৌ শাৱিন কাংনপুঙনে। মৈতিংঙু লোইনাই খুমোম্বনা চৌংশোং খুলঙম পুঙংনে। মাইমুবা সনলোইবা কানপুঙনে। হুইয়াই মথলমদি মৈতিংঙু লোইনাই থোৱানথাবনা পানবা শায়াঙ থেক্লাপুঙনে। মৈতিংঙু নাওকোঙবনা হৈনৌৱানা হুইয়াইৱানা লৌৱাই য়ুপুকোই য়ুনারেক মৈশাংবগা থুম্নৌ মথংপুন, মশা থেক্লা পানম লায়িনকয়ে।

লয়েল কেনচিলৈ চেংলৈ উমুংতাও! কৌবদি কদৌনোংগীনো? কোৱৌ নোংনাং পানগী পামেন চক ময়ুংনা পাকপগীনা মালেম লৈদা তারমএ। ময়েক নানমবায়, মতোম্না নোংপাইথায়, হৈরাংনা পাও-সোনবায়, মুংবীনা অশৈবায়. শুকমুনা বাইথুবায়, থারাম্না নোংসাবায়, থাঙয়ি তাওপুঙ থোংতৌবনা চেপ্পা চেপ্পা তাম্নরমএ। চেংলৈও! কৌএ। পামেন উমুং তাইএ। অহুনোগীবু চেংলৈ উমুংতাও! তৌনা কৌএ। কেগে মোইৱাম্বা চমুদি সিদফৌ, নোংয়াই থুমন চমুদি নাদফৌ; থাংয়ি পৈলবোনচন, য়্যামচেং লৈকুপ স্নীনকম, থৌহু নুপাক লয়োই-কমনে। মৈতিংঙু শেলবী কাপোম্বা তথেল খুলঙম পল, পোনসারেং কানপয়ে। সায়বা পল্লেলয়ায়নে। নাওতা অতেক অনৌসোয়। খুংপী নেংথাতেন, তোংয়ায় থায়ও! কৌবদি কদৌনোংগীনো লোইবী অতাসিসোনবা, শিম্নৌ লুরেল তোনগা আতে চাথাবা চৌংমুং সারৈ-ৱানা য়োইচানবগা শেংনা থাইনা চেম্নরমএ। অহুনোংগীবু খুংপী নেং-থাতেব তোংয়ায় থায়ও কৌএ।

মৈতিংঙু পুজিবনা পানবা কৈমিং কানপুঙনে। নয়ু মৈতিংঙু নাওকোঙবা ময়াই য়াইৱংচাল। য়াংলা মঙাইয়োয় লৌবোন মকেং

লোইবু থিনথুন্নায় ; লোইবী চীংবুরোইবা, হেমবা তংথুকেনবা পল্লেল য়ায়, মৈতিংগু শেংলবী থাগেম্বা মুংযোং থুলঙময়ায় · তামুং মিংনাইবঃ ফানয়াইবু ; সেংবোন শারেল ফয়ে । অঙৌ লৌ কংতা কংতা সাওনকোই, লয়েল চাওবী কোনও! কৌবদি কদোনোংগীনো ? হন্থা বাঙয়োন পাম্বোইবীনা, মশাবী তঙেবা লংমাই নিংথৌ কাইনৌ চীংসোম্বব ; ইনফু মরীসোন হংগেন তাইকং লাক্লা, পৌরা লুরুকচন; লেমৈ ঙাচোপ থেয়া ঙাইথম্বদা বাংবন অরাংবনা ফেনথরকএ । কোরৌ চীংপানা হুমথরক্লবগী, মানলৌ মকানকপু চোৎলে । খোইমোম লাইরেম্বনা য়োইময়াই লাইরেল তাওদনবা কোরৌ নোংশামৈনা, মাংগোন মমুংলাংদা লাংজববু কংদরিদৌদা ; লংমাই নিংথৌ কাইনৌ চীংসোম্বনা বাইথুংলয়ে । অহুনোংগীবু কংতাও! কৌএ । লাইজ ঈনৌ থা রকএ অহুনোংগীবু লয়েল চাওবী কোনও! কৌএ । য়ারৌ শা তোকপা তোকমু মৈসাংবনা থমথরকএ । য়ারৌ শানিংথৌ খোহু মুংপাক কোইরুবা, লাইরেল চীরেল 'তোমপোকপহুং, ইনথরকএ । অহুনোংগীবু কংতা শাওনকোইও তৌনা কৌএ ।

উমতুলাগে, বাওতুলাগে, শেলপুম লাননে । পারোন অম্বা, কৈথেৎ চুমশেনবা হুপ্লেল কৈক লেংনে । কোনলানথাবা হাওমুক কৈংকাবা লৌনে অঙৌবা নোংনিংথৌনা ললহাং থুলঙম পুঙনে । ইরেললোঙ ফানপুঙনে । লিনতু লৌকোং পাৎনে । মৈতিংগু তাপুংবনা তাংথুল থুলঙমপুঙনে । উরেনতু লানথোয়াঙ ফানপুঙনে । মৈতিংগু শেলবী থাগেম্বা লিনতাইবায়, থরংপোক কাক্লেন সিনাম সংকোল্লনে ।

লয়েল মদাইমদি মৈতিংগু নাওফোঙবা মদাইরেম, অমাই থাঙকোকপনা পানম লাইয়িনফমে । থাঙকোকপা সমলুয়ান, লৈথাম তারৈয়াগে । পানম লাইয়িনফমে । মৈতিংগু পুন্সিবনা পানবা কৈজেংলাং ফানথেলনে । শাচেপ লোনমল্লাংও কৌবদি কদোনোংগীনো ? খোইদোম অহনবা মান্দোম অতোনবনা য়ারৌ শানবদা, থাম্বী মৈ-

চেন্নরে। য়ারৌ ,শান্নং পামেন উকারক্তা য়েপ্পা শিরমএ। অহনোংগীবু শায়েপও! কৌববু; পোইরৈতা খিবনা শায়েপ লোনমল্লাংও। খোয়্নেএ। নোংবান মুঙকাং পাম্বনা চকপা খোবান তোংবগী, শমু মখোঙ কক্লা ফৈরমএ। নোংবান ইয়ুম্নাক লুহ্রাং ইপন লমদি অসিনা খৈবনে হায়না, চকপা খোবান তোংবগী শমু মখোঙ কক্লা ফৈরমএ খোঙকৈও! কৌএ।

মৈতিংঙু শেলবী কিয়াম্বনা কৌবা লোক্লৈখাম, পানবা হাথাখাম, কৈরেল নাওসোং খাম্ববু; লৈরাং মরাং কায়না হোয়্রয়ানখেম্নে। মৈতিংঙু শেলবী মুংয়াম্বা হোংতু খুলঙমখেন, পেৎলাই কানখেলনে। মৈতিংঙু শেলবী খাগেম্বনা মুম্নু খুলঙমখেলনে। লায়েন কানখেলনে। মৈতিংঙু কোইরৈ খুনজাওবা চাখা খুলঙমখেলনে। মুমিৎ খায়ম কানখেলনে। মৈতিংঙু পুল্লিবা তাংখুল কৈখোং কৈচাম্বা, কান্নু সংত্তে তাইমুবাবু কায়ন হুল্লে। অহনোংগীবু নোংয়ায় খুমন নিংথৌ সোঙপু সামুকমুচা হাওবা তোমসোন লাংমৈনু সংতে তাইমুবীবু কায়ন হুনবও! তৌনা কৌএ। নোংয়ায় খোঙপু সামুকমুচাদি, কো কোনলোয় মিংহুনগীবু চুবননে। নবেল নোংয়ায় খুমন লৈমা তানরোন সংলৈমা নীংখিবীও, তৌনা কৌএ। নোংয়ায়ুরু সংলৈমও! কৌবদি কদৌনোংগীনো? নাওরেমতোন অথুঙৈগী, হৌনা হৈরাং লোনচংপা, তাওজিং লোনহাইববু নারিঙৈনে। লাইরেল কোয়্নৌ ইনোংখোও।

খৈরে।



পাবিয়ু ! নৈনবিয়ু !! থাবিয়ু !!!

অইবগী ফোংনবা লাইরিকশিং—

১। ফিদম শৈরেং —মমল লুপা ৫·০০
২। লোয়রম্বা শিনয়েন —মমল লুপা ৫·০০
৩। মনিপুরী কলাকার ১বা —মমল লুপা ১০·০০
৪। ,, ,, ২বা —মমল লুপা ১০·০০
৫। ,, ,, ৩বা —মমল লুপা ১০·০০
৬। শক্লাইবশিংগী পুন্সি ৱারী ৪বা —মমল লুপা ১০·০০
৭। ,, ,, ৫বা —মমল লুপা ১০·০০
৮। অরোঙ নন্দকুমার লাইবুনিঙবা —মমল লুপা ১০·০০
৯। লাই হরাউবা লাইশোল —মমল লুপা ৭·০০
১০। ফিদম ৱারেং ১বা শরুক —মমল লুপা ১০·০০
১১। উমং লাই খুন্দাশিং ভোল্যুম ১-১৬—মমল লুপা ৩·০০

থুনা ফোংলগদবশিং :—

১২। ইরাং লাইশোল।
১৩। ফিদম ৱারেং ২বা শরুক
১৪। জ্যোতিষ প্রদীপ
১৫। পুন্সি লমজিং লাইরিক (ৱাইঙপ্রাকী)
১৬। একাঙ্কী সাহিত্য
১৭। মোইরাং কংলৈরোল লম্দ্বা
১৮। থর্মগী মচি
১৯। খুংলোন থম্বাল
২০। মৈতৈ পাউরো
২১। শকোক লমলেন।

লাইরিক ফংফমশিং :—

১। অইবগী লৈকম উরিপোক নাওরেমথোং লাইশ্রম লৈকাই।
২। মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ্ পাওনা বাজার ইম্ফাল
২। কে, ৱাই, শর্ম্মা বুক ষ্টোর ,, ,, ,,
৪। ও, কে, ষ্টোর ,, ,, ,,

লুকমনি প্রেস, উরিপোক ইম্ফালদা কমিটিগী মহুৎ শিন্দুনা সম্পাদকনা নমগা ফোংদোকচবনি। কপী মমীঙ—৫০০